শ্রীমণিত্না শর্ম্মা

সংস্কৃতিগী য়াম্মেং হিদেব

ফজব
ভারতকী সংস্কৃতি
মিত্রাংবনা শামু য়েংবা
ধর্ম্ম শিক্ষা
অধর্ম্ম করিনো ?

শিক্ষাগী অচুম্ব ফিরেপ
কলা অমসুং মাগী ঈহৌ
ভারতকী একতা
যজ্ঞ রহস্য
আন্দোলন।

শ্রীজগদীশচন্দ্র শর্ম্মা
প্রকাশক

সংস্কৃতিগী ব্রারেং হিদেন

মাওঙ্ইবগী অমত্ত ওইবগ
ব্রাখল নৈনবগ

লেখক

ব্রজবাসিদ্দম্বম শ্রীমণিশ্না শর্ম্মা শাস্ত্রী,
রাষ্ট্রভাষারগী শিক্ষণ কলা প্রবীণ

অধ্যক্ষ—নংবোল সাহিত্য প্রেমী সমিতি
সভা —মণিপুর সংস্কৃত পরিষদ, ইম্ফাল

ভারতীয়গণতন্ত্র দিবস '৬৯

সংখ্যা ৫ঃ মমল ৩·০০

মুদ্রক - বীণা প্রেস


ৱা'মা

মীওইব, অওইবমক্তি পুকচেল তিন্নবা লৈমিন্ননীংই। মহাদেশ অমগা অমগা ফাওবদা চারো-মোরোননা হংনা মরাওপ্না লৌমন্ন-নীংই। মসিদা জাতি খায়দে মীওই খন্দে। ইংনা পান্নীংইদা। লোয়নাইদ্রব লাইশোন্নি।

"ইংনা পানবা" থিনবদা পুং, ইশৈ জগোই, লাইযেকপা পুন্নমক মানা মানা হৈজব মহৈ থাক্কে। বৈজ্ঞানিকনা মী হিংননব, হাৎননব খুৎলাই শাই। লেখকনা মী মীগী, জাত জাতিগী, লৈবাক লৈবাক্কী চৎনবী অমসুং মপুম ফারব পুান্সগী পেংৎচংশং নিংথিনা চিথদনা নৈনদুনা থিদোক্কুনা খুদোক্কুনা পুথোক্লগা পুন্নমকী পুকচেল তিংথোক্লনবা পুন্সগী মিৎনা উব ভদব কাচন-কোয়া কযা কযা লুপাশিন্না নৈনমবা শীল্লি। পাম্বৈদি—সংস্কৃত নৈনবান।

মপাম্থোংগী শকফমদা মান্নদ্রবস্থ আত্মাদি অমগুান; অদুনা ৱাংল-ৱাথলস্থ অমগুসি। সংস্কৃতি নৈনবদা "সংস্কৃতি ৱারেং হিদেম্না" খরদস্থ খায়গৎকনি খল্লি।

—লেখক।



সংস্কৃতিগী ম্বারেং হিদেন

ফজব

ফজব গুণ'শ বিশেষণনি, মরম অসিনা মহাক করিগুম্ব পোং অমদা কায়দোংগদবনি। পোংশক অমসুং মাগী গুণ অনিসি কয়ামুক চেংখ্রবা মরীনো হংলবদা থানবা য়াদ্রবনি, হায়ব তায়। খুদম্ ওইনা—অভোব ফিগী গুণ—অভোব ফজব অসিগা ফিশাদুগা করিগুম্বদা কায়নবা লৈতে। মতাং অসিদা অনৌবা যুগকী খুংশেম্না ফজহল্লব পোংশিংদদি "ফজব" লৌথোকপা—হাপচিনবা যাই অদুনা মখোয়সিদদি তংনব-থানব লৈত্রব মরীদু নপ্রে অসুম্না কনাগুম্বনা হংলকপা যাই। মসিগী পাউথুম, অনৌ অনৌব খুংশেমশিংদা, অচম্ব শৈশক্তা লৈতেং (অলঙ্কার) হাপ্লিবদু ময়েক নত্রগা খোঙ্গেলনা মাগী কায়দোংনি অচম্ব ফিশাদা অনৌবা লৈয়োংনা অনৌব ফজব অমা থোকহল্লিবদু—লৈয়োং যেক্লব মচু অমসুং লংনচিংবশিংনা অনৌব ফজহল্লিবদু থোককহল্লিবদু মচাকশিংদুনা অনৌব ফজবদুগী

কায়দোংফম্নি। অচম্ব ৱাহৈদা লৈশি-লৈথোন তাপচিন্দুনা ফজব অমা থোকহল্লিবড়ুস্নু—মীওইবগী ৱাখল, ফজরব ৱাহৈ পৱেংশিং খনবনচিংবনা ফজবদুগী কায়দোংনি। মতৌ অসুম্না ফজব—করিগুম্ব শক্লাই-চুনাইদ্রব পোংশক নত্রগা মশক্-মওং নাইব পোক্তা তক্তুনা তোম্দুনা লৈ। মসি মপাম্বোংগী নত্রগা মীওইবগী ৱাখলদা লাইনা ফাওৱন ফজবগী চাওৱাকপা মতুংগা ৱানি। মীওইবগী হৌনশা ওইনা মাগী পুক্লং ৱাখলদা অমম্তং মিংথেংদা ফজবতা খোৱাংই। মতাক্লা কদোইদেদা ফজদন তৌনদে।

ফজনবু পানদা মীওইবন ক্লান্তগী তৌনশানি। সংস্কৃতি সভ্যতাগী নডাল কংদ্রব, খরদং ফংলব নত্রগা নিংথৌপনা ফংলবা মী পুন্নমক ফজন গাম্মি। মাগী মাগী ৱাখল, লোশিং, পুক্লংগী খোংচৎ মতুং ইন্না ফজন মওং লোনি, লোয়না ফজহম্লাংই। চাওখাত্রব কায়নরিব জঙ্গলনচিংন মীয়াম শন্নবা মকমশিংদা লৈব কাংবুনা পামজব মতুং ইন্না উচেক মতু গেৎতুনা, শক ঙাক্ন শাজিন্নদুনা,—শাশিংগী মচি মকোক্তুনা থেৎচন্দুনা নত্রগা মাকোক পৱেংশিজিন্দুনা—"ফজনব" কন্না তৌরনে। কাংবুসদগী খৱা তেন্না সভ্য ওইরবশিংনা মখোয়গী মথৌ ঙংগা পেংগনি অমম্তং তাবগানি - 'তৌরিবসিবু লৈত্তেংদি কমদোনা হায়রিবনো?' ফজনবান তাযনা শেম্লিবসিমক্লা য়েংবদা য়াম্না মুংঙাইহন্দে। ৱাসি মাসদা লোর্যাদ্রে--মশানা সভ্য ওইরবদি নাংতরিব কাংবুদু উরগা চাওখাত্রবনি হায়রিব জঙ্গলনচিংবদা লৈরিব কাংবুদুনা ওনাশন্নহন্নব, মখোয়না তৌরিবসিদি করিনো হায়না অয়েক নোক্নবা য়াই। অসুম্না মা মাগী কাংলুপ কাংলুপকী ৱাখল

পরিং মতুং ইন্না মাগী মাগী চানজন ফজবগী মওং মতৌ লেপ্পি ; পামজরুবতা ফজবনি হায়না শীজিন্নে। মুশা অসি মীওইবগীনি হায়বদি মী নত্তব অতৈ শাদচিংব জীবশিংদদি মথৌগী ৱাখল লৈতে। মখোয়দি থবক শীজিন্নব য়াবা হায়বসিদা মথাক্তা পোক্নগী নত্রগা মশাগী ফজব থিবরোমদা করিমত্তা খন্নদে। মাব অমোম্না মখোন মখোয়গী মরুপশিংদুগী শাওং-শাদা, মচু মনেন্নচিংবগী ফজব-গি রোমদা করিস্ত য়েংলুদে, য়েংবা হৈতে মুপ্নগী মকুপ ওইনা কাদুনা মখলি।

মীপুম খুদিংমক্তা ফজবা মমুতানা খঙনবগী ৱাখল হৈরে লৈ; অদুম্বদি ওইরগা মওংদা ইখেন খেন্নে। মম অংদা কুচু মুবরু ফজব শীংথানৈ, অঙোবরু তাথিনৈ অদুগ করিগুম্ব লম অমদনা কুচু মুবরু তুকচ্চনে। কুচু নাপু মানব, কুরাও মপ নমক ও ৮ কুচুগী মীওইস্ত পৃথিবীসিদা লৈরিবনি, অদুবু মখোয়দু ভরগা অঙোব অমুব পুলে কুচু লমযোৱাদা ফজব শীংথানরিবা ঐখোয়না নোঙ্গ্রিংগদরা নখে মড়নস্ত ঐখোয়গী ময়ান-তুযান কুচু মথেলগী মীশিং ওইরগা নোক্লিংগদরা ? লৈবাক অমদ নাতোন নংবু ফজবশীংদা শীংথানা কদুগা অমদনা নাতোন ৱাংবু অতোপ্প কম্দনা নাতোন শাংমনখিদুনা চাননা কোম্থরমহন্নবু ফজবনি হায়নে। মী কাংবু অমনা মিৎমৈ শাংনা লওবরু ফজে হায অদুগা অতোপ্প কাংবু অমনা মিৎ কোয়রপ খুরপ তৌববু ফজরবনি হায়। মসিনা তাকপদি—“ফজব” মী মীডুগী নত্রগা কাংলুপ কাংলুপকী পুক্রিং খোংচৎ অমদি ৱাখলগী অপাম্বগী মতুং ইন্না লেপ্পরনি।

মীওইবগী লৌশিংনা পাক্লা উৱকপগা লোযন-লোয়ননা মাগা কায়নব লৈত্রব "ফজব" গুণশিংগী মৱীদস্থ মচা তানা ৱাখল খল্লুৱকই। মৱী মখোং থিৱকই। কমদৌনা ফজৱিবনো? ফজব হায়বসি কৱিবুনো? হংনৱকই। মখল মচা তানা শাগে খায়দোক্লা খণ্ডনীং-লকই। অখন্নবা অমমমদা ওইনা নৈনৱকই।

মীওইবনা ফজবগী লমদা ফজনা মমূত্তানা খণ্ডনীংলকপদগী— ৱারেপ কয়া লৌনৱকখি, ফজবগী তোঙান তোঙানব শকক্ম কযামক্সম পুথোক্লৱকখি—মসিমক্লি ফজব নৈনৱোল (সৌন্দর্য্য শাস্ত্র) পোক্লক্লবগী মক্সদি। মসি চাননা সমালোচনাগী (নৈনৱোলগী) মন্নুং চনবা য়াবা শাস্ত্রনি। ফজব, অপাম্বা, অপেনবা, নুংঙাইজবা অমস্থং হৱাওব—অসিনচিংব মীওইবগী মাইপোং মকায়াম্বনবা লৈৱিব পুক্লিং ইহুন,—পুক্লিং খোংচৎ ঙাক্তনি, মখোযসিগী মৱীদা ফজব নৈনৱোল (সৌন্দর্য্য শাস্ত্র) না কুপ্পা মন্নুং হুঞ্জিন্না অমুক নৈনৈ। কাব্য শাস্ত্র সাহিত্য শাস্ত্র অমস্থং কলাগী মৱীদা নৈনৱিব নৈনৱোল (সমা-লোচনা) গী থৌদাংগা ফজব নৈনৱোলগী থোদাংগা লম মান্নবগুম উৱবস্থ, খেন্নে।

অথিববু ফজহল্লিবা, ফজববুস্থ পোইনা থজহল্লিবা শন্না হায়ৱবদা মীওই পুন্সিবু ফজনা পুথোক্লবতা ঙোংনৱিবা কাব্যগী সাহিত্যগী য়াম্না শন্দোক্লা নৈনডুনা লৈৱিবসিদা নৌনা তোপ্পা অমুক নৈনক্লবা কৱি কান্নগনি? মৱমদি ফজবগী ৱা নৈনৱিবসিস্থ কাব্য শাস্ত্র সাহিত্য শাস্ত্রগী ৱা নৈনৱিবডুগী মন্নুং অডুম চন্দ্রা? মসিদা ঐখোয়না হায়নীংই—কাব্য শাস্ত্রনা মীওইবগী মন্নুং মপাল্গী ফিৱেপ অনি

অমসুং প্রকৃতিগী ওইব ফজব-থিবা গুণশিং অমদি মখোযগী হৌনশাগী মরীদা নৈনৈ ; চুম্মী. মতুদা ফজবগী মরীদসু যাওই তৌইগুম্বসুং কাব্যগী শিল্পাদি অসিতনা লোযত্রি; অদুগা অসিগুম্ব তিরম মচা মচাশিংদা মতম অদুক হাক্লা মাংতুনা লৈথোকপসু যাদে—মাগীদি মীওইব পুন্সিবু ব্যাখ্যা তৌব', লমজিংবা, মখোযগী অচুম অরান তাকপনচিংবা অচৌ অচৌবা শিল্পা কযামকম লৈ। কাব্যগী শিল্পা-শিংসিগী মসুংদা হাপচিনবা য়াদ্রব পুন্সিগী ব্যাখ্যাসু নত্তবা তৌইগুম্বসুং পুন্সিগা য়াম্না মরী লৈনরব শিল্পাদি—ফজবা নৈনরোল (সৌন্দর্য্য শাস্ত্র) না পুরি ; অতৈবা পৌরপনা মসি ফজে : হাযখ্রিবশিংতুগী মসুং-মপান অনিমক কুপ্না থিতুনা মযাম্না হাযনরিবশিংতু শুগাইনা নৈনরি। মাচা তানা তাক্লি। প্রকৃতি অমসুং কলাশিংগী মগুণ কোংদোক্লা তাক্লি। কলাগী ফজবতু ফজব য়েং তৈরব মিৎফমনা মথবাই হাপকদবনি।

মীওইব পুন্সিগা মরী লৈনব ভাক্তা ওইবনা ফজব নৈনরোল অমসুং কাব্য যাম্না মক্লা মরী লৈনৈ। নাকল থরদদি অনিসি থবকসু মাম্নে। খেন্নরিবদি—ফজব নৈনরোল—দর্শন অমসুং রারেপ (সিদ্ধান্ত) তদা নৈনৈ অদুগা কাব্যনা মীওই পুন্সি অমসুং মাগী শীজিন্ননিভাই রাকমলোমদা মপুং ওইনা নৈনৈ।

ফজববু মীযাম্না লৌনবা. মফম মতম চানা চানা মাবু শীজিন্নবা অমসুং মহাক্কী কাযদোংফমশিংগী মরীদা নৈনসি। ফজব করিনো কদাযদা লৈ ? হংনরকপা কুইরে ; চপচাব পাউথুমদি ফংনদ্রি। মমাংতৈদা ফজবম্না হৌজিক্তি থিরে. সুংদাং ফজবতু অযুক থিরে,

অয়ুক্তা ফজবনা নুংথিং থিরে। যুমদা ফজবনা লম থোকখ্রগা থিরে লমদা ফজবনা যুমদদি থিরে, যুমগী নৈতেং ওইনগদবসু গেট্রা থেংচিল্লুদুনা থিরে, টুপীড় লেংজুমদা থেংচিল্লগদগী— টাকয় কোক্তা কম্পোটি ওইহনবদগী মীনা লংলরে। ফজবা মপোপ কায়কন-নীংদবদগী অহনবা সাইকলড়ু খোংনা ইন্দুনা পুরবদি মীনা লংনখিবা শোষরোই। অসিনচিংবসি পোৎ শীক্তিন্নবদা মফম মতম ওন্নখিবদগী মস্তোন্দা লৈরম্ব ফজবড় মাংখবনি। নুপীগী ডাইবার মখল মখল য়াম্নবা যুগসিদা থাহনগী নাইন যানবড় ফজদনা উৎ। অয়ুক ঙন্তাদা পুমযাৎ ফৈজোম ঙোনা শেৎতুনা থোকশিববুদি ফুরিৎ অককপা অমগা খোংগোন নত্রগা ঙোকান ফৈজোম অমগা থোক-খিরবা মতমগা চনন ফজৈ। ফনা লৈনম নুংশিদুনস্ত্র লৈবু নাতোন্দা থিংজিনফদে, নাদা চিনগনি নত্রগা তনৌ। মতমসিদদি মড়স্ত্র অমুক পাম্নরক্তে—গাযনা নত্রগা ফুরিৎতা থেৎপা চংনরে।

ফজবগী চানব মওং মতৌ তাকপা (পরিভাষা পীবা) ওন্নদে মরমদি ঙসি ক্লাওনদ কম্রিগুম্ব পেৎ অংগী মওং মতৌ শীংথারকপদা হোদনা শোযদনা যাওদে। মশক মতৌ লেপ্পা যাবা নাপ ওল্লবস্ত্র য়ারব পোৎকী মওং মতৌ শীংথাবমকস্তু লুরনদা ফজবগুম্ব, পোক্তা তোংডুনা লৈরিন গুণসি দি অমুক হেন্না লুরে। মরমদি নাপ ওনবা শাবা পোৎ নৈরনদস্ত্র মানা পোৎতুবু লোয়না শক কোন্দে তোক্তগুম্বসুং পোৎতুগী অখন্নব গুণ অড়বুনি ফজৈ ডায়নরিবসি, পিটা খারুন যাবা মফম খরদুনবু নত্তে।

ফজব পোত্তা অনম্বুং মপুং [illegible] ম[illegible]বগী ৱাখলদা লৈ। ৱাখল থনবতনা মশিঙ্গাং ওইরন মাওংনশা ফজব লৌশিন্নম ৱাখল খল্লিবা অদুগুম্না পোৎ শারক্লি প্রকৃতি (মায়া শক্তি) নত্রগা খুৎনাংব কলাকার অদুনস্ক মাতিক চান ৱাখল খনগদবনি। খিন্নমীংব, ফজনহন্নীংবা, মথাই ওংনা থাম্নংবা, থিংনীংবা নোকনীংবা মুংশিহন্নীংব ফত্তবতা ফত্তব মাম্না ডংনীংবা পুম্নমক মচা তান তানা খমগদবনি মখেক লান। উৎপাদককদবনি অদু শক্তিবদি মতিক চাম্বব ভাবোক্না লৌশিনবা মুংঙাইতে, লৌশিনবা য়াদে। মতাং অসিদা লৈংশিংহৌগদবা অমনা- প্রকৃতিগা খুৎশেম পুন্নমান্তু লৌফনা মপুং ইফা ফাও অদুগা মাগী মতৌ তম্লিবা মীওইবগী খুৎশেমদদি মপুং ফাদবনা নস্মি। মসিদা অমুক মুংঙাইরিবদি মপুং ইফা ফাদ্রব মীওইবনা শোম্লবা খুৎশেম পুন্নমক —মমান্নব মীওই অতৈনা মরো-শিংনা মপুং ফাহল্লি। খুদম ওইনা কলাকারনা অমনা যেক্লকপা উপালডু নাপ ওনবা ইযা য়াদনা পাকল অমগুদা উরগা অম্তক চাওরমগনি অম্তক থাংলমগনি নশা অম্তক যাম্না লোংখোকফম থোকই অসিনচিংনা ভাবনা শাবা ৱাখল অনি চুমশিন্নে, কলাগী পাম্বৈনা মপুং ফাদ্রব ৱাখল আননা মপুং ফারব মওং অমা থোকহল্লে। কলাকারনা তুকচ্চন্নাংলবন, কিংম্নাংলবা পোৎশিংবু উরগা ভাবোক্কী মপুক্লিংদা ৱাখলাশিংডু ফাওরবদি কলাডু মহয় য়াম্লবনি ভাবোক অদুস্থ ফজব লৌবা হৈরবনি। জগোই ইথওমক থজদব মীদদি শারিব জগোইডু জগোই নত্তে, কল্পনা শক্তি লৈজদব মীদদি চিত্রকারগী চাংডু চীং নত্তে তুরেলডু তুরেল নত্তে চুম্না মচু

মচু তৌশিনবনি। মরম অসিনা ফজব পোৎশক্তা অতুগা মপুং ওইনা মীওইবগী পুক্লিং ৱাখলদা লৈ।

ঐখোয়দগী মাং থানা লময়ানখিবশিংনা করম্ব মিৎয়েংনা ফজব শীংথারম্বগে হায়বদু ময়েংাস—

"সংসারসিদা লাইগী (নত্ৰগা প্রকৃতিগী) ওইব পুন্সিনা করিগুম্ব খরা ফোংদোক্লিবদু ফজব কৌই। (শেফটস্‌বরী) "মপান নাইদ্রববু শান্ত ওইবা মওংদা উববু ফজব কৌই।" (শৈলিঙ্গ)

"ফজবা, অধ্যাত্মিককী ওইবা ৱাখল ফোংদোকপবুনি" (প্লেটো) "মিৎকুপ মিৎকুপ খুদিংদা অনৌ অনৌব শক্লোল পুরিব মশক অদুমক ফজবাম=হায়বদি য়েংলু য়েংলুব মিকুপ্তা ইনৌতা নৌরব মশক অদু ফজবগী শকফম্নি (পুক্লিং হুনিঙাইনি)=ক্ষণে ক্ষণে যন্নবতামুপৈতি তদেব রূপং রমণীয়তায়াঃ—মাঘ * অথঙ-অহেশিংনা অস্নম্না লৌরিব থাজবগী মওংশিংসবু পুনশিন্দুনা খুদম ওইনা য়েংবা তারবদি—

কালিদাসগী দুষ্মন্তনা—

শকুন্তলাসে বনদা লৈদুনা উকু শেঙুনমক হফদ ফজে থোইনা পুক্লিং হুনবগী মশক ওগরি ; মরমদি মহৌশানা ফজদুনা লৈরবদুদি— থোয়দোকপ লৈতেং নত্ৰগা অচম্ব ফিজোল অনিমক্তা ইফদ মফজে—

* ফজবগী অসিগুম্বা মওংসি ৩প তানা খঙলগা কাব্যগী মওংস্নু খঙগদবনি, মরমদি কাব্যগী মওং থাবদা রমণীয়ার্থ প্রতিপাদকঃ শব্দঃ কাব্যম্=পুক্লিং হুনিঙাই ওইরব (ফজরবা) অর্থ ফোংদোক্লিব ৱাহৈদু কাব্যনি=অস্নম্না লৌনরি।

ইয়মধিক মনোজ্ঞা বল্কলেনাপি তন্বী,
কিমিব হি মধুরাণাং মণ্ডনং নাকৃতীনাম্

অভিজ্ঞানশাকুন্তলম্ ১।২০

অতৈস্তু

কালিদাসনা মাগী পার্বতীবু ফজব পুন্সিনক্কী খোমজিল্লকুন— মশক নাইরব ফজবশিংগী নপুং ফরব খুদম ওইনা পুথোক্লি।

''পার্বতীবু ব্রহ্মান ওয়াইনা শেমাখবা নত্তে, ফজবগী শাংথাদা হেক শাংথানিডাবা ওইবা পুন্সিনক নকম চান চানা খাল্লদুনা শিংথব ফজব পুম্বগী অপুনব শকলম ঢংপগুম্ব ভগাংসিনা হেক লৈরিব ফজব পুম্নমক নকম (সাদ) অমখোদা পুনশিন্দুনা লৈবদু মহাক্না উনাংলদুনা য়াম্ন চোকাশিন্না শাবু শেমাখ। *

ফজব পোৎশিং পুল্লগা নখোবগী মণ্ডণশিংদগী অতোপ্পা ফজব অমস্ত অমুক চোংথোরকই—

পার্বতীগী লোহরব থনাক ওনফম অমদা য়ারুনবা মাগী খোরাদা শিরিব অগোয়ব মুক্তা পরেং অমসুং নিংথকরবা খোরা অনিদু মহে মহে ফজনা হেনবা তান্নবদগী অননা অমগী লৈতেং ওইনখি।*

---

* সর্বোপমাদ্রব্য সমুচ্চয়েন যথাপ্রদেশং বিনিবেশিতেন।
সা নির্মিতা বিশ্বসৃজা প্রযত্নাদেকস্থসৌন্দর্য্য দিদৃক্ষয়েব।১।৪৯
কুমারসম্ভবম্

* কণ্ঠস্য তস্যাঃ স্তনবন্ধুরস্যমুক্তাকলাপস্য চ নিস্তলস্য।
অন্যোন্যশোভাজননাদ্ বভূব সাধারণো ভূষণভূষ্যভাবঃ ১।৪২

ফজবগী মপুং ফাত্নব তুংনফমগী মরীদা অসিমস্থু লৈরি—

ফজত্নব পুম্নমক্কী মবেম্মা লাইরেম্বী ওইরিবী তথক তথক্সবী লক্ষ্মীদেবীনা থাজদা লৈব মতমদা—থম্বালগী মনম মুংশিবনচিংব গুণশিং ফংডমদে অদুগা মানা থম্বালদা লৈব মতমদনা—থাগী ওইব অমৃতগুম মুংঙাইনিঙাই ওইরব ফজবদু ফংজব ঙমদে; তৌইগুম্বসুং চীং নিংথৌ মমোমলোয়— পার্ব্বতীগী মাইথোংদা মানা লৈজবদদি মতম অমত্তদা হায়রিব ফজবশিংদু (মুংঙাইবশিং অদু) সুনা ফংবা ঙমজখি। *

কালিদাসনা উংলিব, ফজব পোৎ মখৈনা এৈনা হেনগে এৈনা হেনগে তান্নবা অমসুং ফজবশিংদু মফম অমত্তদা পুল্লবদনা অমুক হায়ফম খঙদ্রব ফজব অমা থোক্লকপা মতৌ অমা অমুক—ভতৃহরিগী ভট্টি কাব্যদগী য়েংসি—

"পুখ্রী তুরেলনচিংবগী তোর্ব্বান্দা হৌরিব হৈপাল লৈপালশিংগী মমিশিং ঈশিংদুদা তাখিবনা মখোয়গী ফজবশিংদু ঈশিংদুনা হুখ্রে থন্দুনা খাংব ঙমদ্রবগী মতৌগুম কংফালদা হৌরিব স্থলকমলশিংদু ঙম্ব মখে মশীং য়াম্না শাৎলদুনা ঈশিংদা শাৎলিব থম্বালশিংদুগা মহৈ মহৈ ফজব তান্নরি। †

* চন্দ্রং গতা পদ্মগুণান্ ন ভুঙ্‌ক্তে, পদ্মাশ্রিতা চান্দ্রমসী মভিখ্যাম্।
উমা মুখন্তু প্রতিপদ্য লোলা, দ্বি সংশ্রয়াং প্রীতিমবাপ লক্ষ্মীঃ
কুমারসম্ভবম্ - ১।৪০

† বিম্বাগতৈস্তীরবনৈঃ সমৃদ্ধিং, নিজাং বিলোক্যাপহৃতাং পয়োভিঃ।
কূলানি সামর্ষতয়েব তেনুঃ সরোজলক্ষ্মীং স্থলপদ্মহাসৈঃ
ভট্টিকাব্যম্ ২।৩

ফজবগী চানব পুজারী ওইরব ভারতকী কবিশিংনা লৌরিব ফজবগী মওংসি সাহিত্য জগত্তা অতাংবনি।

ঈথক হৌত্রব ঈপাক্তা থাবল অমস্তুং থাগী শকফম ময়েক শেংনা মমি তায়। ঈশিংদু য়াম্নমক তথক তথক ঈথক হৌরবদি থাবল অমদি থাজগী ফজরবা মাইথোংদু লৌশিনফম্ খঙদে, ইচোয় চোয়। ফজব মশক মুন্না মখঙলগে মহায়রবদি মীদু পুক্লিং লৈতবা তায় রাখল চোয়দ্রব মুনি ওইবা তায। পোৎকী গুণ খঙব ভমদ্রব— চিংনগল্লব মীদি মাংগনি—সংশযাত্মাবিনশ্যতি। শম্না হায়রবদা মীদুগী রাখলদু সাত্বিক গুণগী রাখল ওইবা তায। শেংলন পুক্লিং রাখলনা অশেংব ফজব গুণ শেংনা খঙই—উচেক্না উচেকী মরোল খঙবগুম্বনি।

ফজব খঙবদা রামচন্দ্র স্বক্রনা—(ফজবগী) তুংনফম ওইরিব পোৎতু উরগা মীওইবগী থম্মোইসিমক্না মহাক্তু্মকী মশক ওইখি. অদুবুনি ফজব চপচানা খঙলবা হাযবদি, অসুম্ন ফজব, চুম্না রাখল থোপ্তদা লৈবদগী তোন্দোক্তু্না থম্মোইগা থম্মোইগা তিনশিন্নগদবনি, হাযরি * অওইবমক্লি—ভাবোক (নক্ত্রগা পূজারী) অদুগী থম্মোইনা লৌনম শোরী যাওদনা য়াম্না শেংনা ফজবদুগা মরুপ ওইদুনা মভোন্দা তিনশিল্লুদ্রবদি—রাধা কৃষ্ণ, সীতা রাম, খম্ব থোইবী, ওসমান থম্বাল, হেক তেক ওইক্লবা ভমদ্রবদি—হায়বদি সত্বগুণগী ওইরব ফজবদু

* রাসি কবিতাগী মুংভাইব ফাওবদসু হায়নরি—"থম্মোইদগী যারক্তু্দুনা থোরক্লব রাহে পরেং কায়দোংনবদুনা মীগী থম্মোইদা চিং লাওনা পাল্লবা, ঈহৌরকফম থম্মোইগুম পারিব থম্মোইবুসু মুল্হল্লবদি মদু অশেংবা কবিতানি।"

সত্বগুণগী পাত্রনা ওকলদ্রবদি—পুম্নমক অয়েম্বনি, ফজবগী লম্বী লৈতে। কল্লক মিত্তৌ চাওবা ইশাতগী ওইজবা থিবা কাংবুদি হায়রিব সত্বগুণ চেনবা কাংবুগী কা সিদা চংনবা টিকেট ফংলোই।

প্রকৃতিগী পোৎ পুম্নমকপু মাগী মাগী কান্নফম ম্রাথল অদোমতদা থন্দুনা লৈজয়, কান্নব থিনতনা পোথাফম ওইজরব পিক্লব ম্রাথল কাংবুদদি—হায়রিব সত্বগুণগী ওইরব—ফজব লৌশিনবগী ম্রাসি য়াম্না তৌনৈ। মখোযগী স্ব[illegible] মাং ওইনরব রজোগুণগী পুক্লিং ম্রাথলদুদা ফজব[illegible]রাই। থুদম ওইনা ইঙ্গিন-নিযার অমম[illegible] চীংজাও অমা ডরগা মখোযদুগী কান্নগদবতা শীংথাগান, [illegible] হাযগনি। তৌবদি মাগী ম্রাসিদ [illegible] 'প্রকৃব' [illegible]জরকপগী ম্রাদি অমনি [illegible] প্রকৃতিগী শকফম পুম্নমক থুগাইনা [illegible] হাঞ্জানয় রডু নত্তব—সত্বগুণ চেল্ল [illegible], লোনগানি পুংভাইভগনি। মতাক্লা মীদম্ম [illegible]। পুক্লিং ম্রাথল চাওখৎনব লমলোমদা [illegible] মাগী [illegible]—অসিদনি হাযন-রিবদুগী থদমদি [illegible]।

ফজবনা মাওইনবগী থম্মোত [illegible] থোৎতল্লি পাকথোক-তল্লি, চাওথোকতল্লি, নুংশিব পো[illegible], [illegible] ফজতল্লি। মমৈদা মতাক্লা মাওইনবগী থম্মোইদা সত্বগুণ [illegible]তল্লি।

ভারতকা সংস্কৃতি

সংস্কৃতিগী অর্থ শেংদোকপা অথোযব তানখৎপা ফনব শেমদোকপা, অশোব যাওল পোক্কপা, মনাৎ হোং-দোকপা, নক মচু শান শোনা, নৈনাক মচা তানা নৈবা, লমচৎ ফজব, ধর্ম্ম কাযদব, ধর্ম্ম অমসুং ফজব্বব স্বভাব মঙোযসি ৱাহৈসিগী মনুংদ লৈব ভাবাশংবনি। মাসনা সভ্যতা কুষ্টিবু শত্তনব যাই। সংস্কৃত লোলদগী চৌক বাংলিং - মমাংঙ্গী, হৌনককম অমসুং ঙাক্লোননচিংবগ মথগ নখা তাবা পাশিং ফোংদে কুপ যাই অদুগা তৌবস্ত্র মসিস্থ ঐখোযনা খোযদেংকা হেন্দোক্লা পাক চাওনা শীজিন্নরুবনা মাগী লৌবুক গঙ্গান অসুম পাবথোক্লি ভাস সাহিত্য-সংস্কৃতি অনিসিগী হৃৎ মনুংদা লেংযশিন চৎশিন খ্রবা পোৎযাম থুদোকপগী লোযবা নাইদ্র।

সংস্কৃতিগা সভ্যতাগা অনিসি যাম্না নক্লে। সভ্যতা চুম্নগী মপাম্মোংগীতনি সংস্কৃতিনা মপান মমুং অনিগী ফজব চৎনব য়াব্বব ৱাশিংবু ফোংদোক্লবনি। এা পুন শেংবদা সুংঙাইবা—খুংংলাযব নুংঙাইব পামজব হৌনশা—হৌংশক্তি সংস্কৃতি-সভ্যতা, অমসুম্না ৱাপা শেম্ শেমদুনা শীজিন্নরে। অশেংবদি সভ্যতাদি চুম্নগী সংস্কৃতিবু শো-গৎচব মাগী মপাম্মোংগী ৱা মশৈতা নৈনবনি। মিংনা উবা যাবা

—য়াহিপ-চাকচা, লমচৎ-শাজৎ, য়ুম্বান-কৈবান লৈবাক্কী ৱাযেন খোদা শন্না হায়ৱবদা মীওইবগী দৱকার ওইব হিৱম পুন্নমক মচা তানা বৈজ্ঞানিক ওইন ওইনা পাংথোকপা ঢৈৱবৰু সভ্যতা লৈৱৰ কৌই। মখোয়সিদি ৱাহৈ অমৱোমদা সংস্কৃতিগী মমুং চনব ঙাক্কনি। মখাদা নৈনৱকদৌৱিব সংস্কৃতিগী মপাম্বোংগী শরুকশিংসি সভ্যতাগী মচাকশিংনি।

সংস্কৃতিগা নক্কা চেৎনা তৎনবা থাৎনবা লৈতনা শীজিন্নৱিবা ৱাহে অমদি ধর্ম্মনি। অনিসিগী লোৎক পাকই, পাক চাওবস্ত ইমান মান্নে। অদুন্নদি ওইৱগা অনিসি শীজিন্নফমদা খরা খেন্নে। অহানবগীসিনা অহানবগীনি অনিস্নবসিনা মযায অমদি অৱোইব-গীনি। ধর্ম্মগী মৱীদা অসুন্না হাযনৈ যতোঽভ্যুদযঃ নিশ্রেয়স্ সিদ্ধিঃ স ধর্ম্মঃ। অর্থ—মহাক্না হিংলিবৈ পুন্সিগী চাওখৎ-লম্বী অমস্নং শিৱবদস্ত মুক্তি পীবিব ঙম্লিবদু ধর্ম্মনি। মৱম অসিমক্কনা সভ্যতাগী থাক্কগী কাখৎলগা সংস্কৃতিদা চংখিব তায। অদুগী ভুংদা ধর্ম্মগী অৱোযব খোংফমদু ফংননব হায়বদি মুক্তি ফংননব হোৎনবা তায়।

সংস্কৃতিগী মমুং-মপাল নাকল অনি শুই। মীওইবগী মপাম্বোংগী লমচৎ-শাজৎ, ফজব অথিবা ব্যবহার, য়ুম্বাল-কৈবাল লৈবাক্কী ৱায়েন খোদা. ফিজেৎ-চাকচা, মুপী-মুপা অহল-অভাংশিংগী লৈনগদব অমস্নং লৈনৱিব মৱী, অহললোনদা চৎকদব খোগল্লোল, অমুক কুপপৱক্লগা ইমুং মমুংগী চৎনবী—চাখুম অমা খাবৈ অমা, জাতি অমগা জাতি অমগা লৈনগদব চৎনবী যানগদব নিয়মশিং

অসিদগী খরা পৌরপ্পা মিৎয়েং পাকথোক্লগনা—প্রদেশ কয়ামরম পুনশিন্নব লিচিং-লিংজেন অমত্তা ওইরব রাষ্ট্র অমগী রাজনীতি, ধর্ম্মনীতি, সমাজনীতিগী রাশিং – মখোয়'পুম্বসি সংস্কৃতিগী মপাম্বোংগী শরুকশিংনি।

সংস্কৃতিগী মপাম্বোংগী মচাকশিংদা লোলস্থ অমনি। লোলদগী মীওইব জাতিগী থৃপ্পব লমচৎ শাজৎ অমসুং পুক্লিং রাথল কয়ামরম থঙব ঙম্মি। পাউরো পান্থেগী মপুং ওইব ভাবতুদগী হেন্দোকপ রা কয়া কোংদোক্লরি। চেঙ পুরগা চেঙ শিং ফৌ পুরগা ফৌ শিং—মসিদগী লম অসিগী মপুং ওইব চিঞ্জাক চেঙ ফৌনি অদুগা পুথোক পুশিন তৌদুনা লৈত-লাইর য়েংদুনা পামমিন্নৈ,— ময়েক লানা উৎলি। চেঙনা চিঞ্জাক মপুং ওইনদব অমসুং লৈত-লাইরা পুথোক পুশিন্নদব লমদা পাউরো অসি থক থোক্লোই। কিলীং টু বার্ডস্ উইথ রান স্তোন * লমদুগী হিংসা হৈনজবা তাকই। উচেক হাত্তুব অতৈ হিংসাস্থ তৌনদব লমদনা "গোরস বেচন হরিদরসন এক পন্থ দো কাজ" ‡ (মণিপুরদনা)—"শৃঙ্গার আরতিদা দর্শন, হকচাং ফবা থবক পাংব অমনা অনি কান্নব" মখোয় অনিসিগী শন্দোকপা ভাবতি শঙ্গোম য়োনব কোয়চৎ চৎপদা মতাংনা হরি দর্শনস্থ তৌরকপা অদুগা অমনা শ্রীগোবিন্দজীগী অয়ুক অঙনবগী শৃঙ্গার আরতিদা দর্শন তৌব, মদু পাংথোক্লব হোৎনবদা ঙম্মা হোগৎ-তুনা ইরুজবনচিংবনা হকচাংস্থ ফগৎপা—লম্বী অমত্তনা কান্নব অনি

---

* Killing two birds with one stone.

‡ গোরস বেচন হুরি দরসন এক পংথ দো কাজ।

ফংব পাউরো অনিসিদা শঙ্গে ম যোনব হায় দশম তৌব, শ্রীগোবিন্দজীবু শৃঙ্গারগী মওমদা দশম তোনব হোৎনবদা হকচাং ফবা থবক পাংথনচিংব কান্নে খাসনাচিংব লম লমদুগা মীওইশিংগী ফজরব সংস্কৃতিগী মচাকশিংসু মখোযসিদগী ফোংদোক্লি।

"ইনেম্মচা" মৈতৈলোনগী কাব্যগী ফজরব য়াওনি। মতৌ-শানা লৈদগীসু তেম্মা পোৎলি থাজনরিব নুপী থম্মোইগুম নংনা মহাক্কী থম্মোইদু থোং-নৌহনাবরগা নংমা নশানৌ ঐবু সুংশিবিযুকো ইনেম্মচা হায়বনি। লোল অমদি মাব শুরম্বিব অশৈবগী কযাদা য়াংলব গুণশিংনো। চিংথে ফিা প হুনব (নোংজানব), সুমিৎ য়াথোং লোনব নত্রগা 'সুংশ' য়ারক চংব, সন্ধ্যা কাংতৌব, তমযা কোয়ী চেনব, কাঞ্জেন কোনফিনব মণগারকপা সুমিদাংবাইগী মতমদা ওইব প্রকৃতিগী দৃশ্য অমসুং মতমদুদা মাশিংনা যণ লোয়শিনবনাচিংব ফোংদোক্লব য়াওশিংনি।

য়ুম্বাল কৈবাল :- মৈতৈ খুম নোংপোক ওয়লি, মসিদা মখোয়গী — সুমিৎ থাদা ভাক্ত উৎপ অমসুং হকচাং ফননবগী (অয়ুক্কী পুংশান হমং নমু চংবদা নাহকনাচংন লাখিবনাচংবগী) য়াখল লৈরম্বা যক নহুগা মতে ফা তাশিংনা নোংচুপ, নোংপোক অমসুং লম্বারোমদা ওমন খুম শানে। মাস জাত জাতিদুগী চৎনবা সংস্কৃতাশিংনি। অনমা নমু চিংনদুনা হন্দুনা কয়িগুম্ব হায়নবা তায়বদি মদু চুম্নগা চিং খাংজেদগী হেল্লোই।

ফিজেৎ :- লৈনদুশিংনা তুশিন্দব কুদাম্ পান্দব ফিশিংবু, য়াম্না থাব তোয়না ঈতুম্ব াদবনব নত্রবাদ অশেংবনি, থাক্তৈ।

করিগুম্ব খরা তূশিল্লবদস্তু ভৌবু ভৌরবদি মচু শেংবগুম শীংথানৈ।

মচু—মচুশিংক্তা অভৌবনা শথোযবান। অভৌন নৈ মফম মতম পুম্নমক্তা শগে। গেরুৱা (লৈছাং), গুলাব মচু অনিসি অভৌবদগী মগং মনাখ্ব ওইনা শাক শাক ওইনা ভাগশিরক্লবা থানাব। অতৈ লেমশো রব শচাশিংদি অশেংবা অমসুং লেমজবগী লমদাদ কথা থোযনা শীংশানকদ্রে। থারক্লুবদা মথক্তা অঙম অসিগী অচুক মক্তং শিন্নবতাব। মংক্লবা চিংগোক অভৌবনবা ওন্থব জাতিগাব, অঙাংবনা হু-গী খুদম। থৱাই পুক্তা হাপ্পুনা ভোগদব সেবাদা মাসনা খুদম ওইগে। নবোবাসনা অকপ মাইবেগান, অশাওবদা অঙাংব মচু মাংগাংপনা শাজগে—'কিঙা' শেংপা হৌজক ফাওবা ফাওরব য়াকৈ। কায়েশন শবক অমগা খুয়োচেনবা পলহন্নীং। থোক্লবদ অমসুং অনা লাঃথোংবগী খুদমগী মরাদা অঙাংব শীজিন্নে। অমুব মচু অকল অথো অনাদ ডাকুশিংনা শাজিন্নে সংসার থাদোক্লবা সন্ন্যাসীশিংনা গেরুৱা (লেছাং) মচু শাজিন্নে।

য়াহিপ চাকচা— যুম্বানব কাংবুনা, নুপীনা মচা মরাগী হিপ্নব-চানব সেবা পুম্নমক লোযশিংগা মানা কোন্না চানা, কোন্না হিপ্না, মতৌ অংম্না মপক মথক থোংব মাওইগী সেবা'পূম্বা লোয়-শিল্লগা মথা পাবাশিংনা মশা নশাগা কান্না তৌভব থোংদোশিংসি ভারতকী যুম্বানবগী ফজরব মচাকাশিংনি। ভারততা নগারোলনা অহলশিংগী মমাংদা খোংগ্রাই চ... ... স্নরগদে, খোংচপা থুকম তোংচুনা পৌশা-রাশাদনা ... ... । মাঙোন থাংবা কাখৎ-

নদে। যুম্থুনা লম-লানব মীদা খোংউপ য়াওনা কাখৎপিরকউ—হাযজরব ফাওবদা লৌথোক্লিব মীচু মঙোন্দা সংস্কৃতিগী ফজরব মচাক যাওরবনি।

লম অসিদা খুন্তা পকপচু চুপ্প চুপ্পচুনা চাক চানৈ। মচু অতৈনা পামদে, চৈত্তেক অমস্তুং চামচনচিংবনা চারুচিংব চানৈ। ভারত মপান্দা—অযিংব লমশিংদা যাম্নিবমখৈ খোংউপ থাদবতনা লেম্লে অডুবু ভারততদি অশাব লম ওইব অচুগীস্তু মথক্তা ধর্ম্ম-প্রাণ ওইবনা—ফকচাংসিবু করিস্তু থৌশানদব লমনিনা খোংউপ য়াম্না শীজিন্নদবা যাদে হাংবগী মহুক্তা শীজিন্নরুবদা কা তেল্লবনি, লমচৎ কাযরবনি হাযনে। ধর্ম্ম অমস্তুং অশেং-অমাং তিংসানচিংবদা করিস্তু চ্যোকশিন্নুদ্রবশিংদদি খোংউপ শীজিন্নদবনা মযামচুগী অয়ানব সংস্কৃতিনি।

ঐখোযনা অনৌব মী-য়োলদা হাযনাংবদি মীয়মগী সংস্কৃতি লৌকননি হাযচুনস্তু মফম চান্দবদি থাদোকনি, খোংউপনা চাক-খুম লাইশংনচিংবদ তেক থৌশিনফদে।

ইরুজবা—ভারতকীদি থানবা য়াদ্রব সংস্কৃতিগী মচাকনি। লম আস অশেং-অসাং অমস্তুং ধর্ম্মগী বাখলনা মপুং ওইবান অমস্তুং অশাব লৈবাকনি। হিয়ম অনিসিগী মরীদা কারমতা খন্থনিভাহ লৈত্রব লমদাদ ফকচাং মোংলক্লগা অচুক শেংদোকপনি, করিস্তু নত্তে। মৈত্রবাক্ত লই গুরুজনশিংগী মমাংদা মুপীশিংনা মকোক খুম্নি, অচুবু লাইমাংদা নোম্থচুনা লাই খুরুম্নবদি কোকী ফি লৌ-খোবই। মুপাদি কোয়েৎ যেশলি, লাই গুরুজনশিং খুরুমবদা

কোবেৎ থক লৌথোক্তে। শিখ, পঞ্জাবী, যহুদীশিংনা লাইথুরুম্ব মতমদা শুপী মুপা পুম্নমক মকোক কুপ্তবা যাদে। মখোযসি লম লমতুগী চৎনবী নিয়ম, থাজব থাজদবা অমসুং লমতুগী অইং-অশা বচিংবগী মতুং ইন্না মীশিংনা মাগী মাগী চান-চুননবা শেম্নখিবনি। কৃইনা হৈনখ্রব চৃশিনখ্রবশিংতুবুনি সংস্কৃতি হাযনরিবসি।

মীওইবগী থাদোক্লব যাদ্রব লোনচৎ-শাক্সৎশিংসিদগী হেন্দোক্ত্না প্রকৃতিগী অথন্নব পোৎশক থরবুম্ন সংস্কৃতিগী হেন-কদ্রব মচাকশিংনি হাযনা লৌশিল্লি—শ্রীকৃষ্ণনা অর্জ্জুনদা তাকখি-বগুম্না—উরক্তগী স্নাখোংনাং, চীংলক্তগী হিমালয়, শামুরক্তগী ঐরাবত, উচেকলক্ত। গরুড, ঋতুলক্তা বসন্ত অমসুং তুরেললক্তা গঙ্গা অসিনচিংবসি ভারতকী সংস্কৃতিগী লমদা যাম্না চাওনা শীংথানৈ।

মখোযসি সংস্কৃতিগী মপাম্থোংগী মচাকশিংনি।

সংস্কৃতিগী মনুংগী মচাক—

ভারতকী দর্শনশিংদা যাম্না শীংথানরক্লব জ্ঞানেন্দ্রিযশিংদতা নত্রগা পুক্নিং ৱাখলদতা লৈজব মীওইবগী পুক্নিংগী খোংচৎকী ৱাফমসু লৈরি। ৱাহৈ তমরোমদা হাযরগা মনোবিজ্ঞানগী ৱাফম কযাম্বামসু লৈরি। মখোযতুগী মরীদ নৈননবু সংস্কৃতিগী মনুংগী ওইব ৱাখল নৈনবা কৌই। মীওইবগী পুক্নিং ৱাখলদা কাযদোংলিব শক্তাহ চনাইদ্রব পুক্নিং খোংচৎকী সংস্কৃতিগী মরীদা যাম্না পাক চাওনা নৈনবা য়াই। মযামতুগী মরক্তা মরু ওইব থর্বাদ মখাগী অসিন—

মথক্তা হায়খিবগুম্না সংস্কৃতি-ধর্ম্ম পোৎ অমগী নাকল অনিগী মিং অনিনি। হিন্দুগী ধর্ম্ম সভাদা ফিদা ৱাংনা ফংলিব মণুস্মৃতিগী

মচং ওইব পাউতাকশিং– পুক্নিং লৈতাবা, লংজরবা মীবু ভাকপিবা মপান অমসুং মনুংগী ইন্দ্রিয়শিং পুদুম চনবা, মীপোৎ ছুরান্দবা, পুক্নিং হকচাং শেংবা, লৌশিং তাবা (খোংগুন তাবা), মচৈ হৈবা, সত্য লৈবা অমসুং শাগুন লৈতবা (শাওগন্দবা)– অসিগুম্ব ধর্ম্মগী মওং'শং'সি তাকপা, মনু ভগবান্না ইহান হাক্লবস্তু নক্লগা মঙোন্দগী হানব কনাগুম্বনা গৌদোক্লবস্–ভারতকী লাইর খাংপোকশংদগীনা নিংখৈকোন ফাওবগী পুক্নিং ৱাখল অমসুং আধ্যাত্মিক জীবনগী তৎনব শানব লৈবব সংস্কৃতি ধম্মগী ওইবা চেকবু মচাকশিংনি। লাইর ইনাক খুনবা খাংদনা লম অসিগা মীশংগী শীংলিদা, ঈশ্বিক খুদিংদা মনুনা তাকপা চংনা; নিংসংশং সগী চেৎনা মমি তায়। সংস্কৃতি ধম্মগী লৌরাবৈ ৱয়ল [illegible] চাৱবা—লমদমসিগা শম্নরুব মীয়মগী মী ফাও। পোৎচাবানা [illegible] চাংশংগুম চাংশল্লি। মজাং, মথম শাস্ত্র গৌদোকলব্রকব ধর্ম্ম পুম্নমক থাদোক্লুবা— ভারত-তীর্থদা ঈশ্বরৈ। মরম [illegible] ভারতকী সংস্কৃতি ধর্ম্মদি মীওইব ফাওগী ধর্ম্মাং [illegible] সংস্কৃতগী ৱাংলব মচাকশিংসিমক্তং ভারতপুখ্রা পুম্নগা ধর্ম্ম গুন ওইরিবনি।

লম শাস্ত্রগী শাখা [illegible] পুক্নিং লব গীতাগী অনিশুব অধ্যায়দা [illegible] স্থিতপ্রজ্ঞ অমসুং তৃতীয় অধ্যায়দা নৈনরিব সত্ত্ব-রজ [illegible] মওং মতৌ [illegible] মপোকপগী চিঙ্গাকী পাউতাকশিংদু [illegible]— অফবা, [illegible] অমসুং মীনামগী কান্নগদব মশক মুন্না খঙলব করম্ম মীশক্লা থাদোক্লীংগাদবনি মরমদি মখোয়সি মীওইবগী পুক্নিং ৱাখলগী [illegible] সংস্কৃতিগী ওইব চিঙ্গাক ভাক্কনি।

ঐখোয়না নৈনরিব ভারতকী সংস্কৃতিগী মনুংগী ওইব তথ্যশিংগী মচা তারব খুদম কয়া কবিশিংগী কাব্যশিংদগী ফংই। মহাকাব্য রঘুবংশগী অহানব সগদা রঘু শাগৈগী মরীদা শীংথারিবসি নৈনরবদি হাযারব রাকমসি পুক্লিংদা থুক লাওনা লৌয়না পানগনি।

কালিদাসনা রঘু শাগৈবু হুম্নম্ন' শীংথারি— ঐনা ইবদা য়াম্না হৈ-শিংজত্রবম্ন রঘু শাগৈগী অ''-মতা নাইত্রব গুণ'শংনা নাকোংদা চংখিতুনা— ঐহাকপু মখোয়গী শাগে শীংথ। কাব্যসি হননব কম্না ইনশিল্লি। মখোযতুমক্তি— "লোকপদগী শেংলবনি. মখোযনা ফংনীংলিব থবক্তী মহযতু হেক ফংদ্রিব ফাওবা হৌগৎলুরিব থবক্তু লোগদনা থক হৌক্তে. সমুদ্র লোযনরব পৃথিবী'পুম্বা মখোয়তনা শাসন তৌরম্মি মখোযগী দোলাযদি স্বর্গলোক যোনা পাইরম্মি। শাস্ত্রনা তাকপা মতুং ইন্না যাগ যজ্ঞনচিংব ধর্ম্ম-কর্ম্মশিং তৌরম্মি, মখোযদবু নিররব'দ কনাগুম্ব অমত্তা নীংব কায়না হনখিদে, মরাল লৈরব মী'শংবুম্ন মখোযনা মতিক চান চানা চৈরাক পীরম্মি, মখোয়না য়াম্না মিৎ নাকোংশিংনা লৈবাক নিংথৌগী থবকশিং পাংথোক্লম্মি মখোযনা দান তৌবনচিংব অক্ষব থবকশিংগীদমক্ত লল খোমজিল্লম্মি, মীবু ওৎ-নৈগে হিংসা তৌগে হাযবগীদমক নত্তনা— চুম্নগী মিংচৎ ফংননবগীদমক্তা দিগ্বিজয় তৌরম্মি, মশাগী মুংশি-মুংওন ঈখোলাংলকপগী নত্তনা— শাগে-কাংহল মুহুননগীদমক্তা যুম পাল্লম্মি। মখোযসিদি— অঙাং ওইরবৈদো মতম'পুম্বা হৈদোক্লবনি অদুগা যৌবন বসন্তগী মতমদা সংসারগী মুংঙাইব পুম্নমক ভোগ তৌরক্লবনি:

অহল ওইৱগা মুনিগী ওইব পুন্সি মরেল লেল্লগা অৱোইবদা—যোগ সাধনতনা ফকচাং পোলাং থাদোক্লম্লিবনি।

ৱঘুবংশ মহাকাব্যগী ১ব সর্গগী শ্লোক ৫—৯ ফাওবদা কালিদাসনা উৎলিব প্রাচীন ভারতকী পিক্লব শকফম অসি-না লেখকী নোলুকপা অমদি ওল্লিবঙৈদা লমসিদা করম করম্ব লমচৎ-শাজৎপু খ্বাইদগী অথোযব কোক্কী লৈতেং ওইনৱখগে হায়বদু ফংথনা খঙহল্লি। কনাগুম্ব অমনা অস্রম্না হায়রম্মি—"ভারতকী কোহিনুর (কৌস্তুভমণি)—নচিংব লল পুম্নমক মাংখ্রবস্, লম অসিগী ভৌগোলিকী ফিৱেপ অসি ফনা হোংখ্রবস্, ঐখোয়গী পণ্ডিতপুম দ্বীপান্তর তোৎবস্ন লমসিবু বিজাতিনা জয তৌদুনা খেংনেৎনগনস্—শম্না হায়ৱবদা লৈবাক অসিগী লৈজব পুম্নমক প্রলযগী খায়োনা থাখ্রবস্ন ঐখোয়গী অমাং-অতা লৈৱৱোইদব—ৱামাযণ মহাভারততবু লৈৱিবমখৈদি ভারতকী করিস্ন মাংদে, পুম্নমক লৈরি।" হ সগীস্ন মথক্তা ৱবীন্দ্রনাথ ঠাকুৱনা হাযৱিবসিমস্ন অচুম্বনি—"ভারতবর্ষনা তেক পাম্লিব পুম্নমক ৱামায়ণ-মহাভারততা চিংথদনা ফংঙে।"

সংস্কৃতিগী মন্নুংচনব শকক্তা নৈনক্কম থোকপা ৱাশিংদি তশেংনমক মখোযসিনি— (১) আধ্যাত্মিক জীবন (২) অমগা অমগা তোৱোৎ-শদানবা (পুনশিননা, এক ৱা লৈবা) (৩) বর্ণ অমস্নুং আশ্রম থাযগোকপা (৪) হিংসা তৌদবা, খোজাল লৈবা, চানবা, সত্য ঙাকপা, নোলুকপা (৫) প্রকৃতিবু নুংশিবা। মখোযসিতবুনি—মীৱমগী মীযাম্না ভারতবর্ষ ভারত হাযনা খঙনৱিবা। তাংকক মঙাসি অমমমতা ওইনা নৈনসি –

(১) আধ্যাত্মিক জীবন—

পুন্সাসনা ভারতকী ফিদাম্নগুাহ পুম্নমক্তগী অথোয়বনি। আধ্যাত্মিক জীবনগী ব্যাখ্যাদি অসিদ-- .ন, ঈশিং, মুংশিং, অতিয়া অমস্থং লৈবাক্কা পুনশিল্লগা এখোযনা মাবু 'হকচাং' হায়না খঙনরিবসি পোকপ নাই, মওং ওাল্ল (অডাং—ময়ায়—অহল ওইরকপা অস্থম্না খঙনরি) অদুগা মথক্তা হাধ খ্রব পোৎলমাশিংসি কায়নরদুনা মকম মফমদা—াতনখ্রবদাদ— লংলা ময়াম্না তিল্লম্বদু অমমম হন্দোকখ্রগা 'াফ' কৌব পোৎ অমা লেমহোদবগুম্না—পঞ্চত্বং গতঃ হায়খ্রনহুংদা লেমহোনডাই পোৎ অমা অমুক লৈত্রে। মরম অসনা চানব এখোযগী ওইব পোৎ নওব ডাক্তনা পুন্সিঞ্জ'ব পোৎনক অসিগীদমক—ক রমওা মুংনাংফদে, কাম্নদে. মসিবুদ্দি করিমক্ত থোশারে ইদবনি।

শিরগা ফংগদন পরলোক কৌবা অমা লৈ। হিংলিভেদা তৌখিব পাপ পূণ্যাশংগী ধম্ম-কম্মশিংড্রগী মহয মতুং ইন্না পরলোক ফংই, লম লাপ্না চৎকদব মীগা নক্কা চৎকদব মীগা টিকেট লৌব খেন্নবগুম্বনি।

জীবনা মুক্তি ফংদ্রন ফাওব পোকপ-শিবগী চক্রসিদা লয়হুনা লৈগদবনি। ঈশ্বরগী শিস্থাশিং থাজ্জগদবনি। মাগী খুজিন্দা খেম্নবা লৈতে। পিক্রব তিল অমগা শামু অমগা মশাদা খেম্নজবনি, মন্থুংগী আত্মাদ অমত্তনি। মরম অসিনা জীব পুম্নমক ইশামকুম্না খনগদবনি — আত্মবৎ সব্বভূতেষু, ব্বাখল অসিমক্তদগী—

সব্বে ভবন্তু সুখিনঃ সব্বে সন্তু নিরামযাঃ।

সর্ব্বে ভদ্রানি পশ্যন্তু, মা কশ্চিৎ দুঃখ মাপ্নুযাৎ ।।

লম লাপ্লা নকপা জাৎ-বিজাৎ খাযদনা—যাইফ-নুংঙাইরশনু অমগা অমগা—চান্নরশনু হাযনা তওনা লাইশোল ওইনা প্রার্থনা তৌরিবান ভারত-বাসীশিংনা। মসিদা যাওরিবা সংস্কৃতি-লমদমগী পুক্লিং থাখলশিংগী মচিন্তা মচি ওইরবা থাগৎপা ভারতকী মপান্দা ফংনদ্রবনি।

মতাং অসিগী মপুংফারবা খুদম লৌরবা তারবদি উশিনরদা পাল্লম্বা য জাশিবা, শক কক্তুনা দান তৌখিবা দধীচি মুনি, গুরু বশিষ্ঠনা পেন্নবগীদমক গুরুগী মথৌ নন্দিনী শেল্লুবদা নোংশাদা মশা কৎথোক্লুবা ৱাজাদিলীপ থাসনচিংবা শাংশানবা যাই। মখোযনা হকচাংবু করিমত্তা খোশাকদবদগা অদুক চাওরবা বলিদান লাযনা তৌখ্রিবনি।

আধ্যাত্মিক জীবন তম্বগী পুন্সিন, মরম অসিনা ভারত-বর্ষদা থাইনডেদগী লৈরব্রবা ধর্ম্ম কাংলুপ পুন্নমক্না প্লাস অসিবু পুকচেল থংনা যাদ্রবা লোনে। মসি ভারত পুন্নমকী ওইরবা সংস্কৃতি-যুম্বীরেননি।

(২) থেন্নবা মযামগী মরক্তা মান্নবা—

মখল মথা থামখ্রবা লমসিদা করিগুম্বা মান্নবা অমা থিরকপা তারবদি মদু ভারতনা ফংই। পৃথিবীগী লম খুদিংদা থোক্লুবা মুংশাবু লম লমদুগী মীশিংগা 'এখোযগী মুংশা' অমুন্না ফনা হাযনদুনস্ত মযামদুগী পোক্লকফম মুমিন্ত অমত্তনি। মখল মথেল য়ামখ্রবা ভারত মপন্থী মমোমশিংগী শক্লোল য়াম্নবা চৎনবী, ধর্ম্ম-কর্ম্ম, লাইনীং লাইশোলনচিংবশিংগী অরোইবদা পুন্নমকসিগী 'আত্মা'

দি অমত্তনি, মাগী চৌরকফম মকস্থ অমত্তনি অত্থগা অসিদগী খরা অমুক চংশিনখ্রগা—অদ্বৈত তত্ত্ববু চেৎনা থাজরব কাংবুনা জীব-ব্রহ্ম অসুম্না অনিনি হায়রম্বসি তোক্নুনা জীবো-ব্রহ্মৈব নাপরঃ জীবত্নমক পরব্রহ্মনি, অতে অমা নত্তে নীংনরি। মখল-মথেল মায়রবশিংসিদা মায়রব অমওা মীপুম তিংনা চেৎনা থাজনরি—জীবব্রহ্ম অনি মানীবা অমত্থুং অনিসি অমত্তনি হায়না মানীব কাংবু অনিমক্লা।

ভারতকী খেন্নব মযাম মরক্তা মায়রব অমা—ডায়রব সদি হয়িং-খোয়না লৈয়ামদগী লৈহিশিং লোকুরগা মশক অমত্তা ওইরব খোইতি শেম্বগুর্ম্বনি। ব সি ইতিহাসকী—লামাইশিং য়েংলুরবদি চানরব খুদম ফংগনি। যাম্না ভ''ল্লা৺ভদগী তৌনা ভারতবর্ষদা জাতি কয়া কযা লাকখ্রে—হকচাং অমওদা তিনথরে—

হে মোর চিত্ত, পুণ্যতীথে জাগো রে ধীরে।
এই ভারতের মহামানবের সাগর তীরে।
কেহ নহি জানে কার আহ্বানে কত মানুষের ধারা
দুর্ব্বার স্রোতে এলো কথা হতে, সমুদ্রে হলো হারা।
হেথায আর্য্য, হেথা অনার্য্য, হেথায দ্রাবিড়, চীন
শক-হূণ-দল পঠান মোগল এক দেহে হলো লীন।
রণ ধারা বাহি জয় গান গাহি, উন্মাদ কলরবে
ভেদি মরুপথ, গিরি পর্ব্বত যার এসেছিল সবে।
তারা মোর-মাঝে সবাই বিরাজে কেহো নহে নহে দূর,
আমার শোণিতে রয়েছে ধ্বনিত তার বিচিত্র সুর।

"হে ঐগী পুক্নিং, ভারত-পুণ্যতীর্থসিদা তপ্না তপ্না মিকপ্লো, ভারতকী মহামানব সমুদ্র তোর্ববানসিদা। কমানা কৌরুবদা মীয়ামগী ঈচেলনা কদায়দগীনো? অপনবা লৈতনা চেনশিল্লক্কুনা চাওয়ব ভারত সমুদ্রাসিদা তিনখ্রে। কনামত্তা খঙনহৌদে। লমসিদা আর্য্য, অনার্য্য, দ্রাবিড়, চীন, শক-হুণ, পাঠান, মোগল কাংলুপ কাংলুপনা ভারত মহামানবগী হকচাংসদা অমত্তা ওইনা তিনখ্রবনি। লালগী ললাও লাওরদুনা মরুভূমি কয়া, চীংজাও কয়া লাল্লদুনা ময়ায় কানা লানঙম-ঈশৈ শক্লদুনা—ভারতবর্ষসিদা মী কাংলুপ কাংলুপ মতম মতমদা লাকাখ্রদু হৌজিক্তি কনামত্তা তোঙান তোঙান্না জাতি (কাংলুপ) লাইনা তাদুনা লৈত্রে। পুম্নমক ভারতকী মহ মানকী ঈ তোংশিংদা তিনশিনখ্রে। কনামত্তা থাপতোকখিদে। ঐখোয়গী ঈদা জাতশিংদু ভুক্লব খোঙ্গেলনা হানন নিল্লিবনি।"

ৱবীন্দ্রনাথ ঠাকুরনা শক্লম্বা ভারত, জাত-মীয়ামশিংনা পুল্লগা ওইখ্রব জাতি অমত্তান—হায়ব সূর্য্যাস মীওইবগী পুক্নিং-ৱাখলদা য়োনা চংশিনখ্রব সংস্কৃতিগী নচাক্ন।

(৩) বর্ণ মরি আশ্রম মরি খায়দোকপা—

সমাজগী থবকশিং য়েন্নদুনা পুনশবা অমম্বুং পুন্সিগী করম করম্ব মতাংদা কার করি থবক পাংথোক্কদগে হায়ব চমন্নরব—য়েংশিন্নগদব ৱায়াম সংস্কৃতিগী তাংকক অসিনা মুগাইনা তাক্লি। গীতাদা শ্রীকৃষ্ণনা—"মী মাদুগী গুণ অমসুং হৈনগদব কর্ম্মশিংগী মতুং ইন্না বর্ণ মরিসি ঐনা শেমখ্রবনি।" * অদুগা

* চাতুর্ববর্ণ্যং ময়া সৃষ্টং গুণকর্ম্ম বিভাগশঃ। গীতা

বেদনা "জগৎ পুন্নমক্কী মপু ওইরিব বিরাট পুরুষগী হকচাংদগী ব্রাহ্মণ-ক্ষত্রিয বৈশ্য শূদ্র—বর্ণ মরিসি পোকখি। ণ° হায়রি। হকচাং অমত্তুদগী পোকখিবশিংসিদা কনানা কনাদগী হেন্না ফবা ফত্তবগী ৱাদি স্নকপোক পোকফম পোক্তে, তৌইগুম্বগ্নং লম অসিগী মীয়ামগী থবক শিন্দোক্লনবগী ফজরব কায়াৎ যাৎপিরম্বনি। গীতা-সিমক্তদা অমুকস্ন --অস্নম্না হাযরি—মহৈ-লল লৈরব, নোলুক্লব পণ্ডিতশিংনা যণ ব্রাহ্মণ শামু, হুই, মশামক্লা থোংজব মীনা থোংবিব পোৎ পুন্নমক্তা ইমান মান্নবা খল্লি। * মসি সমাজনীতিগী কয়াদা ৱাংখ্রব আদর্শনো। মসিনা সংস্কৃতিগী পুক্লিং-ৱাখলগী পীরিব মচাকশিংসি লম অতৈদগী ফংলোই।

(৪) ভারত বাসীশিংগী পুক্লিং ৱাখল—

অহিংসা, থৌজালবিনা, চান্নবা (মরুপকী মতৌ) অমস্নং নোলুকপা— মখোয়সি ভারতকী যাম্নমক মপুং ফারব ফিদম্নিভাই পুন্সিগী হেনফদ্রব মচাকশিংনি; মরম অসিনা সংস্কৃতি-ধর্ম্মগীস্ন লেংদ্রব যুম্বীরেলনি। মখোয়সিনা সংস্কৃতিগী লমদা কমদোনা থোদাং সানগে হাযরবদা পাউখুম ওইনা ঐখোয়না অস্নম্না নৈননীংই---

ণ° ব্রাহ্মণোঽস্য মুখমাসীদ্বাহূ রাজন্যঃ কৃতঃ।
উরূ তদস্য যদ্বৈশ্যঃ পদ্ভ্যাং শূদ্রো অজায়ত। ১২

পুরুষ সূক্ত।

* বিদ্যা বিনয সম্পন্নে ব্রাহ্মণি গবি হস্তিনি,।
শুনিচৈব স্বপাকে চ পণ্ডিতাঃ সমদর্শিনঃ॥ গীতা

অহিংসা—

লম অসিদা ভগবান মনুদগী তৌরদুনা মহাত্মা-গান্ধীজীগী যুগ ফাওবদা 'অচুম্ব ঙাংগদবনি, মীনা তানীংব ৱা ঙাংগদবনি, ফনা চুম্নবস্থু মীনা মপুক নাখিগদব ৱাদি খক ঙাংলোইদবনি। * অসিদগী তৌরদুনা জীববু তারোন-মারোন খক তৌনরক্কে। হাৎলুবা ফুরুবদি থাপখ্রদুনা মী মপুক নাবা ৱা হায়ব ফাওবা হিংসানি তৌফদে হায়না লেপ্পরকই. তৌনরক্কে। গান্ধীজীনা অহিংসাবু—চাননা মথৱাই হাপ্লম্মি।

থৌজালবিবা—

মথক মথক থ্যোংবনা—মখা মখা শাবশিংবু ওৎ-নৈগে মথল্লবদি ফনা তমথিনা ওৎপিবা যাই। হাযনাংব অমা তেক হায়জিল্লগা লোয়রে। অখঙবনা খঙ্গদব মী লাক্লাবু করি নৈনগে। থৌজালবিব ৱাখল ইখন-মথন্নদ্রবদি মীওইবগী পুক্লিং ৱাখলদি শং-লিংব ফিঙাং শেৎপশিংগী মীচাং পূং ওইরগদবনি। থৌজাল ৱাখলতনা অনৌ-অনৌব মীরোলবু তাকপি-তিকপিদুনা অতোনব কাংবুবু শৌগৎপিদুনা শেমগৎনবা যাম্নবনি।

অমগা অমগা চান্নবা (মরুপকী মতৌ)—

চান্নবা হায়বসিদি— শামান-লেংমান্নবশিংদা নৈনব মুংশিনববুনি। মসিতনা মীওইব সমাজ মরাতানা পানমিন্নরিবনি। মরমদি—মীওইবগী যাম্নমক লুরিব লমচৎ-শাক্তি—চানবু—চান্নদ্রবদি অস্সম অস্সম তেক্কো যেংপিনবা তৌখি। চান্নরবদি হেক

* সত্যং ব্রূয়াৎ প্রিয়ং ব্রূয়াৎ ন ব্রূয়াৎ সত্যমপ্রিয়ং।

তৌথোরক্রিবা মতৌ'পূম্ব য়েংথিদনা মুংশিনা লৌনৈ। অহানবগী সিদনা ভাংলিব নোক্লিব'পূম্ব মুংশিদনা তায. অকোনবগী সিদনা লোয়না মুংশিনা—তায। অমগা অমগা চান্নদব মীশীংনা হেল্লব সমাজদু মন্না তানা তপ্না পানবা থক য়াদে। চান্নদবদগী লৈবাক ইন্নাং তৌরিবনি। একতা লৈত্রিবনি। ফিভম অসিদদি মীয়াম্না পাংথোক্কদব অচৌব করিগুম্ব থবক অমত্তা পাংথোকপা ভমদে।

নোলুকপা—

ইথক ইথকপোংবশিংগী মফমদা ইকাই খুম্নব উত্তনা লোয়ন-ম্রিব মতৌদু—নোলুকপনি, অদুম্নদি গুইরগা লেংমান্নব ইথা থাবন-চিংবদস্থু নোলুকপগী মওং অমা অদুম উৎপা যাই। মসি ফজন্নব লমচৎকী মপুং গুইব মচাকনি নত্রগা ফজন্নব লমচৎ হাযবদি—নোলুকপসিনি হাযবস্থু যাই। মহৈ নিংশিনা হৈন্নবস্থু নোলুক্কবা য়াদে। নোলুক্কদি—হৈ-পাল্লব হৈপাল মক লুকই, মগুণ লৈন্নব মীতনা মক লুকই। * অসুম্না ভারতকী সংস্কৃতিগী ফজন্নব মচাক গুইনন্নম্বসিদগী গুম্বোকখিদুনা—মহৈ হৈন্নব মীশক্না কান্নমত্তা নোলুকত্রবদি মতোন্দা লৈান্নব মহৈদু মোংফমগী থাবলগুম কনগনি। ইনাক-কৈন্নাক খুগুনবনা নোলুক্কবদি—মহৈ হৈন্নব নোলুক্কবদুদগী কা তেন্না খুদোং থিরে। মন্নলতনা মযাই কান্নবদুদি—মহৈগী গুণনা চীংশিনবদু যাওদবনিনা, ৱাখল লৈতাব মতৌম্ব লৈতবনিনা, মাগী পুন্সিড মিকুপ খুদিং চিংনফান্নি। মন্নম অসিনা নোলুক্কা চৎপা হায়বসি মীওঙ খুদিংমক্কী হেনফত্রব মচাক্নি।

* ফলন্তি ফলিনো বৃক্ষাঃ, নমন্তি গুণিনো জনাঃ।

মথক্কী হিরম মরিমকসিদা 'অহিংসা' গী ঈচেল অমা শীনথুংনা ইয়াও য়াওরি। মসিমক্তি মহাত্মা গান্ধীগী য়াখল মতুং ইন্না—মরিল নৈরব মথৌনা ফরব, পুকচেল শেংলব অচুম্বতা চৎপা মীওইগী—অমাং অতা নৈত্রব খুৎলাইনি। ভারতকী চনরব অমস্তুং লিয়ব খুৎলাইনি। য়াম্না হায়রুড়না করি কান্নগনি মহাত্মা গান্ধীজীগী হৌবদগী লোইব ফাওবগী পুন্সি'পূম্বনা অহিংসা-সত্যগী কান্নব অমস্তুং তঙাই ফদবশিংগী মপুং ফারব খুদম উৎপিরম্লে। নৈনরিব হিরম মরিসি ভারতকী থাজবদগী থাজনরব সংস্কৃতিগী মচাকশিংনি।

(৫) প্রকৃতিবু নুংশিবা—

সংস্কৃতিগী মনুং হুপ্পিন্না লৈরব অরোইব মচাক্তি—প্রকৃতিবু নুংশিবা হায়বসিনি। সংস্কৃতিগী লমদা প্রকৃতি-প্রেমগী য়া পুশি-ল্লকপসি লমলানব ভাবোক্লদি নোক্লীংলম্না য়াই—তৌইগুম্বস্তুং লমসিগী মীওইনা প্রকৃতিবু চুম্না নস্তুনা ঈশ্বরগী অচোব মায়া শক্তিনি, মরম অদুনা মাবু ঐখোয়না লুনা নাংজগদবনি। মাহাক নীংলগা পরমেশ্বরগী থৌজাল ফংই—নত্রগা পরমেশ্বরদু ফংই অসিগুম্ব থাজবা—অমস্তুং লম অসিগী চীং, তুরেলনচিংবদস্ম অতৈদগী থোইদোকপ গুণশিং চৌল্লিব, অসিগুম্ব চাওর চাওরব মরমশিংসিনা ভারতকী মীওইশিংগা লম অসিগী প্রকৃতিগা খেন্নব নৈত্রব পুন্সি ওইখ্রবনি নত্রগা অমনা অমগী শোগৎননব মচাক ওইনরিবনি।

মমাংনৈংদগী হৌনা (মহৌশাগী ওইনা)

প্রকৃতিনা ভারতবর্ষবু থোইদোক্না থৌজাল্লি। ঋতু তরুক্না মতম নাইনা পোগল্লি, মতম মতমগী হৈ-য়া লৈ-শুনা ইড়াৎ-পূজা

কৎলি। মতম চান-চানা নোং তাবা, নুংশা শাবনা-- লম অসি অশং অমাল হৈ-লৈনা লৈত্তেংলি। হিমালয় চীংজাও অমস্থুং অতৈ চীংশাংশিংনা তুরেল কয়া কযা পীরিব্রি। লম অসিগী তুরেল-শিংদি মুক্তি পীনব ভাক্তনি হাযনা থাজনরি। হৈপাল-লৈপাল-শিংবু থাজব-নুংশিবগা লোয়ননা থাবা, অমুবস্থ অথন্নব মখোয় খরবু লুনা পূজা তৌবা লম অসিগী কুইনদগী চৎনরক্লব শেংলব ধর্ম্ম-কর্ম্মশিংনি। মুতিগী ওইব অমস্থুং অথন্নবা তারকপ থোথোকশিং —ধর্ম্ম-কর্ম্মশিংদা মুমিৎ থা খুরুম্বা মঙ্গলগীদমক তভাইফত্রবনি নীংনৈ। ভারতবদগী শা-উচেক, উরী-বারী, হৈপাল-লৈপালশিংসি লাইনীংফম ওইরিব ধর্ম্ম-ভূমিসিগী কাযনফত্রব ঙকচাং কায়াৎ-শিংনি; মরম অসিমক্তনা শকুন্তলানা মপুরোইবগী মনাক্তা চৎলকপদা অয়োকপ মপা কণ্ব মুনিনা প্রকৃতিদগী বিদায়-য়াথং নিরি—

বনদেবতা অমস্থুং তপোবনগী হৈপাল—লৈপালশিংদা ওন-শিল্লহনা—

নখোযদা ঈশিং চায়দ্রমখে ফনা খোরাংহনস্থ থক ঈশিং থকচদ্রবী ফনা লৈ-শু পামজহনস্থ—নখোয়বু নুংশিজবতনা লৈনা' মকাও হেকচখিদ্রবী—

নখোয়দা লৈ পোয়কপা—শাৎলকপা উরগা—

ঐখোয খাইগী মাংদা ফোংনা হরাও-তয়াম ফোংদোকচরিবী

নখোয়গী মুংশি-বাখলতা খঞ্জরবী শকুন্তলাদু—

ঙসিদি মপুৱোইবগী মনাক্তা চৎলবনি,
নখোয়'পুম্ব বিদায়-য়াথং পীনবিয়ু। *

কালিদাসনা প্রকৃতিবু মীওই-পুন্সিগা য়াম্না নক্কৱবা কায়ন-ফত্রব, লম আসগীদি চানব হকচাং কায়াৎ অমগুম নত্রগা—নক্কৱব মৱী-মতাগুম ৱামন নুংঙাইমিন্নৱৱব অৱা-অনা পুমিন্নৱব মীওইগুম লৌৱদুনা—মাওহবদা ফাওবা অৱা-নুংঙাইগী ৱাখলশিং প্রকৃতিদসু ফাওরিবনি উৎপা মাবু মীগুম শীংশাবসি মাহাক্কী মহয় য়াল্লব কলমগী খুদোন পোৎান। কালদাস প্রকৃতিগী অথুম্ন-নিংথিব, অৱা-নুংঙাই কাচিন-কোয়া য়োন-যোনা খঙলব প্রকৃতিগী পূজারীনি। ভারতকী কাবশিংনসু কালিদাসকী মতৌ অমুম্না—প্রকৃতিবু চানবা মীওইবগী মতৌ তৌহল্লি, নোকহল্লি, কপহল্লি, হৱাও-তুজুং পোকহল্লি। থোদোশিংসি ভারতকী সংস্কৃতিগী মপুং ফারব মচাকশিংনি।

ভারত-সংস্কৃতিগী মৱীদা মরু ওইব মচাক মখৈ নৈনখৱে। হৌজিক লম অসিদা অপুনব-সংস্কৃতি ঈচেল অমা চেল্লিবসিগী মৱীদা পৌৱপ্না নৈনসি। ভারত-তা আয্য, অনায্য, দাবিড়, কিরাত, মংগোল, যুনানী, শক, হূণ, আভীরনচিংব জাতি কয়া লাক-তুনা তিনখ্রে; মখোয মযামদুগী সংস্কৃতিগী খায়গৎনৱকপা শরুকশিংদুনা ঙসি ভারতকী অপুনব সংস্কৃতিসি ওইখ্রিবনি।

* পাতুং ন প্রথমং ব্যবস্যতি জলং যুস্মাস্বসিক্তেষু যা।
নাদত্তে প্রিয়মণ্ডনাপি—ভবতাং স্নেহেন যা পল্লবং।
আদৌ বঃ কুসুম প্রবৃত্তি সময়ে যস্যা ভবত্যুৎসবঃ
সেয়ং যাতি শকুন্তলা পতিগৃহং সর্বৈরনুজ্ঞায়তাম।

পুনশিনখ্রব সংস্কৃতি—

ইতিহাস অমসুং সংস্কৃতিগী পণ্ডিতশিংনা যানরে, মহুদি মথং-মনাও ওইনা নীগ্রো, ঔষ্ট্রিক, দ্রাবড়, কিরাত, আর্য্য জাতিশিংসি ভারততা লাকখি। মখোয়সি নহুনা জাতি মচা কয়ামকমসু মরক মরক্তা লমসিদা লাক্কনা তিনখি, মযামদুদা—হৌজিক ফাওবা শীংথানারিবাশিং মংগোল, য়ূনানী, শক, হুণ, আভীর অমসুং তুর্ক—মখোয়সি নশা মশাগী জাতিদু মশক-মওং চানা লেপ্লুনা মযেক লানা নমও তিংদ্রে হিন্দু সমজগী ণ মরিয়াসদা থেংনোক্লরদুনা 'নাথনা পুন্শিনখরে। মরমসিমক্তনা মমৈদদি ভারতকী সংস্কৃতিস লমসদা লাক্কনা খুন্দাখিব জাতিশিংনা খাগৎলবা সংস্কৃতি মচানাশিংগ তৌনথায যানথায়নরদুনা অনৌবা "পুন্শিনখ্রব—সংস্কৃতি' অমা থোকখ্রবনি। রাফম আস ইতিহাসকার -ামন্তর ডাডবেলনা অসুম্না- হয়াম্ম—"ভারতকী সংস্কৃতিদি অচৌব সমুদ্রগা পাংথাক্ল, মাসদা [সংস্কৃতিগী] তুরেল কয়ামকম লাক্কনা তিনখ্রবান।"

হৌজিক্ত—পুনাশনখ্রব সংস্কৃতিগী শকফমাস করম করম্ব মচাক শং করম্ব জাতিনা খাযগৎলকপগে? নিংথিনা মচাতানা খাযদোকপা লুরে, মরমদি—অকুপ্প অপোব চৎনবী কয়ামকম অমদগী অমা অমদগী অমা লৌশিল্লগা অনৌব পোথোক ওইনা পুথোকপা কযা যাওরে। ফিভম অসিদা—ণৈখোযনা অখণ্ড-অহৈ-াশিংগী খোড়গুল লিকরগা করম করম্ব চংনবানা আর্য্যশিংগী

সংস্কৃতি পুক্কেদগীনো অদুগা কন্নম কন্নম্বনা আয্য নত্তব কাংলুপকী সংস্কৃতি পুক্কেদগীনো হাযব খন্নগী মথৈদি নীংশিংবা য়াই—

আচার্য্য ক্ষিতিমোহন সেনগী বা লৌন্নগা—"লাইরেম্বী ঈড়াৎ-পূজা তৌবা, অমসুং তন্ত্র বিদ্যা মৈনব অনিসি বেদগী (বৈদিক মতগী) লম্বী মপান্দা লাক্কুনা লেপ্লবনি। বৈদিক মত চৎপা কাংবুনদি হিন্নম অনিসিবু শাস্ত্রনা য়াদবনি সদাচারগী ওন্ন-তৈনবনি অস্নম্না চেৎনা মত পীরিবনি; অদুম ওইদুনমকপু মখোয়না—পান্না নত্ত্রগা পামদনা—হান্না চৎনরম্লিব লম্বীসি নত্তব অনৌব লম্বীশিংসিস্থ লৌশিনবা তাখি।

শাস্ত্রগী মত মতুং হন্নদি উমং লাইনচিংব খুঙ্গংগী লাইশিং ঈড়াৎ-পূজা তৌবা য়াদে, লাইরেম্বী পূজা তৌবস্থ থিংই। লাই মখল অনিসি পূজা তৌন্নিব কাংবুদু—মম্থ ভগবাননা—"লৈখা তারবনি" হায়না মকম কথামন্নমদা নিন্দা তৌরম্মি। অদুবু হৌ-জিক্ত—লবাঙ-খবাইদা, ইস্কালদ ফাওবদস্থ ব্রাহ্মণশিং ফাওবনা ভূত-প্রেত অমসুং খুঙ্গংগী লাইয়াম পূজা তৌনবা য়াওনরক্লে।

অমন্নোমদনা—হান্না তৌনন্নমদব কয়া তৌনরকপনা—হৌজিক্তি আর্য্যশিংস্থ উপালশিং অমসুং গঙ্গা নত্তবা অতৈ তুরেলশিংবুস্থ ঈড়াৎ-চবাল তৌনরক্লে। মসি তশেংনা আয্য নত্তব কাংবুজনা তৌনরম্বনি। হৌজিক ভারতকী সংস্কৃতিদা তুলসী, খোংনাংবট, স্নাখোংনাং অমসুং হৈ-খাগোক মখোয়সি শেংলবনি পূণ্য পীবিব উম্ব উপাল ওাক্তনি নীংবৈ। শিন্নগা—শরু গঙ্গালচিংব তীর্থদা খাদত্রবদি মুক্তি ফংদে আত্মাদু শান্তি ফংদে থাজবৈ। অসিদমু

মতুনা করি করিগুম্ব লমদদি—স্না খোংনাংদা শরীক য়াম্দুনা কৎব-বস্থ য়াওই। সংস্কৃতি নত্রগা ধর্ম্ম কর্ম্মগী মচাক ওইনরিব থোদোক-শিংসি বেদগী নত্তে। অদুদি কদায়দগীনো? মসিগী পাউথুমদা অসিগুম্ব চৎনবি নিয়মশিংসি আর্য্য নত্তব কাংবুদগী লৌশিল্লকপ ভারতকী পুনশিনখ্রব সংস্কৃতিগী--মচাক-মরলশিংনি। তুলসী, খোংনাংবট, স্নাখোংনাং, কৈ-থাগোক—শেংলব উপালশিংসিগা মরী লৈনরব লাইয়ামদুস্থ বেদদা শীংথারমদে, মখোয়দু বেদনা য়াদব লাই-গুম থনম্মি। মখোয়সিদি কায়নথংদা পুরাণশিংনা লৈনরকপনি। পুরাণশিংবু বেদগী মচাকশিংনি শীংথানব কাংবুনা চাওরাকপদা—বেদগী বানি হায়নবর্তনি।

য়াওশং অমস্থং অতৈ কুম্মৈগী ওইব ধর্ম্ম-কর্ম্ম কয়ামরামস্থ আর্য্য নত্তব জাতিশিংনা পীরবনি। অসিগুম্ব উৎসবশিংদা য়ুনচিংব মরায় কারব পোৎশিং শীজিন্নবা ফত্রব বাহৈ (অকাম-অপেৎ) শীজিন্নদুনা—খোনচোপ বাচোপনচিংবগা কুম্মৈসিগা মরী লৈনব মতৌসিনা তশেংনা তাক্লি—য়াওশংগুম্ব অমস্থং উমং-লাই হরাওব-নাচিংবশিংসি চাওথং-কাক্রিব--মপুং কানা মিকপ থোক্লিব জাতি নত্রগা সমাজনা তৌরকপান। য়াওশংদি তশেংনা দ্বিজ জাতি নত্তব কাংবুদনা হান্না তৌরম্মি; অওইবমক্তি মসি শূদ্র জাতিগীনি। ভারতকী মকম অয়াম্বদা য়াও মৈ থানব (হোলিকা মৈ থাননব) মৈ শূদ্র জাতিশিংগী য়ুমশিংদগী লোনরম্মি।

শন্না চায়রবদা হিন্দু সমাজদা ওসি চৎনম্বিব লাইশিংগী ঈড়াৎ-পূজাশিং, তীর্থশিং, হরাও-কুম্মৈশিং—অয়াম্ব শরুক্তি আর্য্য মত্তব

জাতিশিংদগী লাকপনি। মসিমস্থ খন্ডনিঙাইনি—আর্য্যশিংগী ৱাখল-বিচার মখোযগী দর্শনগী লৌবুক যাম্না পিকই। মখোযগী দর্শন অখণ্ড-অহৈ খরতগী ৱাখল-চিঙ্গাক্কি। মখোয নত্তৱ মীযামদি আর্য্য নত্তব কাংবুগী ওইব (মখোয মশা মশাগী ওইরব) ৱাখল-চিঙ্গাক পাম্বৈনরদুনা মুংঙাইনজে। অপুইবমক্কি—ৱাখল-লৈহাও ফরব মীশীং যামদ্রব খরতনা মুংঙাইজবদু মীযাম্না কৈদৌইদস্থ ইনবা ঙমদে ; মখোয় অতোপ্প লম্বী অমা থিরকই।

সংস্কৃতি চাওখৎপা অমসুং মাগী জীবনী শক্তি—

পীথোক্লগা চাওখৎপা মক্কে-ললনি অথোযন ; মতুনা চেল্লিব ঈচেলনা তুরেলগী জীবনী শক্তিনি। পাথোকখিব অমসুং লৌশিন বতনা সংস্কৃতি চাওখৎলি। ঈচেল লেপতন্দনতনা সংস্কৃতিগী জীবনী শক্তিনি। ভারততা মুসলমানশিং লাক্লমদ্রবদি—স্টাইলগী (অকে অমোগী) খুদম ওইনরিব মণ্ডং-মতৌশিং, মখোযগী লাই-যেকপগী মণ্ডংশিংসি লমসিদ মাম তারম্লাভদবনি। উর্দ্দু কৌব লোল অসিস্থ পোক্লম্মোইদবনি। ঐখোযগী মঙ্গ বেদা, বেদান্ত, উপনিষদকী দার্শনিক বিচারশিং অস্থুক খুনা মীরম শীননা খুংনা শন্দোক্লম্মোইদবনি। ঐখোযগী সংস্কৃতিগী লুচিংব রামমোহনরায়, দয়ানন্দ সরস্বতী, রাম কৃষ্ণ পরমহংস স্বামী বিবেকানন্দ অমসুং স্বামী শিবানন্দনচিংব পোক্লমদ্রবদি—ভারতকী আধ্যাত্মিকবিচার অমসুং দর্শনগী শম্খনাদ পৃথিবীগী জাতিশিংগী মনাবোংদা অস্থুক নিংথিনা চংলম্মোইদবান মপুক্লিংদা অদুক কম্না প্রভাব তারম্মোইদবনি। সাহেবশিংগা শম্নরমদ্রবদি ভারতবাসীনা তনোব- বিজ্ঞান যাম্না

থেংনা হৈরমগনি, রাজনীতিগী নটনীতি বযা অদুক থুনা খঙলম্-মোইদবনি। মহাত্মা গান্ধীজীনা অহিংসা সত্যগী শঙ্খনাদ তৌরমদ্রবদি মাগী অমস্তং ভারতকী নত্তনা পৃথিবী পুম্নমক্কী অদুক য়াম্না খঙন-রম্মোইদবনি। করিগুম্বা লোল অমদা চাওরা চাওরবা কবিশিং পোকখ্রব তুংদা বোম্না অংগাংপা লোল অমদা অচৌ অচৌবা কবিশিং অমক পোক্লকপা অওকপা নত্তে, মীওইশিংগী সংস্কৃতি নত্তনা মীওইবা মশেলদা চংলকফম পোকপা থোক্লক্তবনি অস্মুম্না লৌখোক লৌশিন তৌনবগী সংস্কৃতি চাওখৎলি। মীওইবগী তৌনশা ওইনা অরুবা অরাপবা চিরম পুম্নমক অমনা অমগী মতে ইত্তম ওৎম্নে মসিনা সংস্কৃতিদা মশাগী জীবনী শক্তি পী।

সংস্কৃতি চাহি ১০/২০ গী মনুংদা হেক শেম্বা যাদে। যামদ্রবদা চহি ৫০/১০০ গী পুরগা ফোংদোরকইবনি। মায়াম্না চহি চা কযামক্তম হৈনরকপা মচাকশিং—চাবথকপা, ইব পাবগী মওং পুক্লিং রাখল, লৈবাকী ব্যবস্থা থৌদা, অমস্তং ধর্ম কর্ম মখোয়সিদগী মীওইবগী সংস্কৃতি পোকই। নত্তাক্তা চাউখ্রবা থিরবা উদগীম্নু হেন্না তপ্না চাওই। মীওইবনা হেব হোংথোরক্লবা থোদো পুম্নমক্কী সংস্কৃত (মনাৎ) পোকই। অওববাক্ত সংস্কৃতিদি মীওইবা পুন্সিগী য়াম্না নপুং ফারবা মওং অমনি। পীখোয়না অভাং ওইরিবেদগী হৈনত্রক্লব ইনাৎ অদু নপুন্সিগী চেৎলবা হৈনবা সংস্কৃতি অদুম ওইখিবনি। খুদম ওইনা পোক্লবেদগী মশা নানবগী অমাদ কঙ্গরবা লমচৎ ব্যবহার তৌহৈনজরক্লবদু— মাড়ি পুন্সি লোয়না ফাওবা লোয়নজরবা মনাৎ সংস্কৃতি লৌখি। অদুগা মীওইবনা মশা মশাগী

সংস্কৃতিবু অ.ঙ্কী মতিক শুনা চান্না খঙ্গে মতুদি—মহাক্না শিন্নমদাই ফাওবদা মচাশিংদা লল যেম্হোকপিন্নম্বগুম—মশাগী সংস্কৃতিত্বুম্থ কায়দনা ভাক্লনব শীন্নরম্মি।

ভারততা অসুম্না হাযনবসু লৈ তিংলিঙৈদা হৈনখিব সংস্কৃতিদুগী মতুং ইন্না হযেংমুক্কী মপোকসু পোকই। সংস্কৃতিনা মীওইববু মাগী মপোক কযাৱক থাদোক্তে। মাস য়াম্নমক চুম্নবা ৱানি। খুদম ওইনা মতিক চাদনা যাম্নমক কা-হেন্না হৈ-শিংলব, তাক্লিব-তাৱিব মখৈসু ইখঙদ মখঙলব অঙাংদুগী মগুণদু মাগী নহালমুক্কী মপোক্কী সংস্কৃতি সংস্কার হৈনজন্নক্লব অফব মনাৎকী মহয নত্তনা করি ওইগনি? মসিগী তপ তাবা ৱাদি অসনি—সংস্কার সংস্কৃতি অফব মনাৎ হাযবসিদি হকচাংগী গুণ নত্তে, মঙোন্দা কায়দোংদে তৌইগুম্বসুং মাঙবা লৈত্রব আত্মাগী মাঙফদ্রব গুণনি - মাগী ললনি। হাযরিব গুণ অসিদি হকচাংগা সভ্যতাগী পোৎকা কায়নথ্রবদসু আত্মা গদি কৈদৌঙেদস্ন কাযনদে; মপোক কয়া কয়া লোয়নমা লৈ। মুক্তি হেক ফংদ্রিব ফাওবা আত্মাগী গুণ নত্রগা সংস্কৃতিসি মাগা খক কায়নবা য়াদে। কনাগুম্বনা ফনা পুণ্য তৌরক্লুনা স্বর্গ কাক্লরবস্থ পুণ্য ফলদু লোযরগা মত্রা লোক্তা অমুক হল্লকই। * মথক্তসু হাযখ্রবগুম্না—মসিসু আত্মাগী ওহব সংস্কৃতিনি।

মীওইবগী ওক্লব গুণ থোদো অমনা থাপ্নরব লৈবাক অনিদা চৎনরবা ধর্ম্ম-কর্ম্মগী সমাজ নীতিগী মওং মতৌ কয়া ইমান মাম্নরম্ব

---

* তে তং ভুক্ত্বা স্বর্গলোকং বিশালং,

ক্ষীণে পুণ্যে মর্ত্যলোকং বিশন্তি। গীতা

য়াওই। দার্শনিক বিচারশিংদসু মান্নরম্বা য়াওই। মহূদা কনানা কনাবু তম্বিখিবনো, থিবিনবা লৈতে। মহেমহে মী মশেলনিনা পুক্লিং য়াখলগী পরিংলোমদা মান্নজরম্ধনি। মরম অসিনা লম অমনা লম অমগী সংস্কৃতি লৌরুবদা করিগুম্ব মান্নয়ন্নবসু মহু কন্নিমত্তা তাথিনকম থোক্কে।

মথক্কী য়াশিংসিগী য়া মচং—অরোইবদা অস্তম্মা লোনীংই—তেংবানব'পূম্বগী দেশশিং জাতিশিংগী সংস্কৃতিশিংবু মশাদা চুম্না লৌশিনবতা নত্তনা চানমা আত্মসাৎ তৌরবা (হজম তৌরবা) অমস্তং মযামহু পুনশিন্দুনা অনৌব ফজরব সংস্কৃতি অমা পোকহল্লব দেশ অমস্তং জাতি অহুদি খ্বাইদগী মথোনা লৈরব অমস্তং চাওখৎলবানি। ভারত অমস্তং ভারততা লৈরিব জাতিদি মিৎযেং অসোমদা য়েংলবদি সংসারসিদা খ্বাইমক্কগী মপুং ইফা ফারবনি: মরমদি লম অসিগী চহি কয়ামরূমগী মমাংদগী ওসি ফাওব তিংলিব পুনশিল্লিব সংস্কৃতি'সিদা জাতি কয়ামরূমগী সংস্কৃতিশিং তিনখ্রবনি অমস্তং আত্মসাৎ তৌখ্রবনি।

এই মহামানবের সাগরতীরে—
হেথায আর্য্য, হেথা অনার্য্য, হেথায দ্রাবিড় চীন,
শক-হূণ-দল পাঠান মোগল এক দেহে হলো লীন।

— ——

মিত্তাংবনা শামু য়েংবা

উদূং কাল অমনা হৈরম্ম নীংখোংনা থাজরম্মি বিশ্বাসি উজ্বনখে • লাক্লগা এথোব শোযদনা শিংলকখিগনি। অদুবু ভাস ফাওবা তাখ্নুরিব নিংথৌ নগামাসদগী - ঐদি করিমগা খঙলমদ্রি তাযবাসনগুং খঙলে। তোবদাদ অথ চুম্ম তন্দোক্কুনা শীজিন্নবা চাম্ম, নত্রবাদ অনাইবা যোক্কনি।

রাকম অসি অদুম তাক্লা পাংলৌ লোনা নগে। মসিনা তত্ত্ব খোৎপা থিজনবা কিচুপা চল্লো। হা নত্তু নগে; তৌইগুম্বস্তুং থিবগী অরোয় লৈতে, হায়রনি।

উপনিষদকী পাণ্ডিতন খঙলে, খঙলে হায়বা কাংবুদগী খঙদে খঙদে হায়বা মানা য়েংগনা তেগ্না হৈরাম্ম—

যেন জ্ঞাতং তেন ন জ্ঞাতং

তেন ন জ্ঞাতং যেন জ্ঞাতং

ঐদি যাম্না খঙলে হৈরে হায়রিবা কাংবুনা অমস্তুং মখোয়গী মরমদগী অতেনা খঙ্গনবা চাম্ম। মসিগী খুদম ওইনা মচেৎ মচেৎ খঙবা কাংবুগী ভক্তা নোক্লিংলনা রারী অমা লৈ—

নোংমা মিত্তাংবা কযামকন্না শামু অমা মথুংনা মাম্ন মাম্নদুনা য়েংলম্মি। মখোয মযাম্না শামুদুগী তোংঙান তোংঙানবা হকচাং কায়াৎশিংত্নদা মানা মানা (থেংনরুবা) পায়রু পায়রুবা মতুং ইন্না তোংঙান তোংঙানবা মশকাশং লেপ্লম্মি। মখোং পায়রুবা মিত্তাংব অদুনা শামুসিদি য়ুম্বাণি হাযরম্মি, মনাতোন্দা পাযরুবদুনা শামুসিদি লিল মাল্লি হায়, মবুক্তা মারুবা মিত্তাংবদুনা শামুদি থাগনগী মতৌমক্লিনা হায়না লৌরম্মি, মমৈ পায়রুবা মিত্তাংবদুনা শামুদি থৌরিনি হাযনা লেপ্লম্মি শামুগী নাকললোমদা মারুবা মিত্তাংব অদুনা শামুদি ফক্লাংগা পাংথর্কণি হায়না লৌরি অদুগা শামু মমা পাযকনা মিত্তাংবদুনা শামু হাযবসিদি যাংকোক ওইনা খল্লবম্নু য়াব জাৎণি যাংকোক্কা মতৌনি হাযরম্মি; অস্তুম্না মিওাংব মযাম অদু মহৈ মহৈ মানা খউচ ফংউবা য়াখল ফিরেপ অদু পাম্বেনদুদা পংথৎ খৎনরম্মি। তাঞ্জাসিদা অহল ওত্নব ব্রাহ্মণ অমা লাকলম্মি অমসুং মহাক্না মিত্তাংবা ময়াম অদুদা হায়রম্মি "নখোয়না খৎনম্নিবদু ঙাইখো খৎনম্নিব যাকমদু ঐহাক শুগাযনা তাককে। নখোয়না শামুগী হকচাং কাযাৎ অমমম পায়রুদুনা (মচেৎ মচেৎ ওইনা খউবনা) পোৎ অমত্তদুবু তোঙান তোঙানব পোৎকুম্না লোনম্নে। নখোয় থুদিংমক্কী শোল্লবা লৌশিংগী পাঙ্গলদুনা মচেৎ অমমমদং খঞ্জুম্নিবা অদুসু অচুংনি খজিক্তা উবা ঙম্বা মিৎযেংগীদমকতি মতিক চাম্নবনি; তৌইগুম্বসুং পোৎ অমথক্কী মশক তোঙান তোঙানবা হোৌনদে। শামুদি য়ুম্বীনি, শামুদি লিল মাল্লি হাযম্নিবদু মীওইবগী অমসুং তোঙান তোঙানব শাস্ত্রশিংগা মথল মথা অয়াম্বা মিৎয়েংশিংনি। খেম্নব

অয়াংবা মিৎয়েংনি। খেন্নব ময়ামসি অমত্তা ওইব মিৎয়েংনা পুনপ য়েংবা ডমত্রিমথৈ সমদৃষ্টি লৈত্রিমথৈ খেন্নবসি লৈখিগনি।

ৱারীসিগী ৱারীদি দর্শনগী মিৎয়েংদা মপুং ওইবা কাংবুমা' সমপৎলা হায়রবদা — ষড়দর্শন, জৈমিনিনা লেংব পূর্বমীমাংসা, ব্যাসনা লেংব উত্তর মীমাংসা মত্রগা বেদান্ত, কপিলনা লেংব সাংখ্য, পতঞ্জলিনা' লেংব পাতঞ্জল, গৌতম মুনিনা লেংব ন্যায় অমসুং কণাদনা লেংব বৈশেষিক মখোয়সিনা পরমেশ্বর (বিরাট পুরুষ) কী কল্পনা তৌবদি মিত্তাংব তরুক অদুনা শামু য়েংলগা মাগী মাগী মরনাইগী ওইনা চুমজবা ৱারেপ অমমম লেপ্প' অদুগুম্বনি। অমত্তা ওইবা স্বরূপ অদুবু মাগী মাগী কল্পনাগী পোলেপফম মতুং ইন্না ময়ামগুম্না লৌনৈ।

ধর্ম্ম শিক্ষা

মীওইবনা থাদোগ্রমাল্লে হায়না লাম্না নিংলবস্ত কুপ্না য়েংলুবগা থাদোক্লবদি মবৈত্রব হিরমদি ধর্ম্মতনি। চন্দনথিনবা লাই পূজা তৌবা অমসুং অশেং-অমাং বিচারনচিংবসিদি ধর্ম্মগী মপান থোংগী শরুক্কি সাধন ভাক্তনি ; ফংগদোবা সাধ্যচুদি অমনি, মনুংদা থুপ্না লৈ (ধর্ম্মস্য তত্বং নিহিতং গুহায়াং) এখোয়না চোকশিনগদবদি সাধন মরামসিন নত্তা ওইদবা তৌরিবশিংসি থিংনবা হোৎনগদবনি। অন্ধবিশ্বাসী ওইনা মতুং খক ইল্লোইদবনি। কনাগুম্বনা—ধর্ম্ম হায়বসিদি মীবু পংথহন্নবব নিশানি, অসুম্না হায়বা য়াওই ; অচুম্বনি ঠোগশিংদা কত্তাওনরবদি শোয়দনা থেংনগনি।

অতৈ অতৈ হিরমশিংদগী ধর্ম্মনা থোইদোক্না কান্নবদি মীওইবগী পুক্নিং হকচাং অনিমকসি ওস্থোকহন্দুনা সমাজবু মুংভাইনা মন্না তপনা লৈহন্নবগী অমসুং অমনা অমবু ইকাই খুম্নব মিৎয়েংনা য়েংনবগী মরু ওইবা য়াখল পুকচেলদু ধর্ম্ম-শিক্ষতনা পি।

ধৃ—ধাতুনি, অর্থনা ধারণ (পুবা) রক্ষগা পোষণ য়োক্পা য়াবনি ; থবকশিংদু মানা মরম ওইদুনা তৌই হায়বা খন্ডনবা কুদাস্তগী

'ম' প্রত্যয় অমা লোয়নরবনি। মসিগী অর্থ য়ামগ্রে, অদুবু ঐখোয়গী লৈকোন্দগী ওইবা ঐখোয়গী কান্নগদবা লৈনম খর ফংননবতা হোৎনবা তায়। ১। মানা মরম ওইদুনা মীওইবগী অমগা অমগা নিংথিনা লৈমিন্ননব নিয়ম তাক্লিবদু ধর্ম্মনি। ২। মীওইবগী শিক্ষা পাংথোকপদু ধর্ম্মনি। ৩। বিশ্ববিধাতা পরমাত্মাগী মফমদা ভক্তি পোকপা পুক্নিংগী খোঙচৎ অদুবু ধর্ম্ম কৌই। ৪। অফবা থবক তৌরুবদগী পোকপা গুণ বিশেষ নত্রগা পুন্নদু ধর্ম্মনি। ৫। দেশ অমসুং কালগী চৎনবিবু হায়বনি। ৬। করিগুম্ব দেশ জাতি অমগী মতম কুইনদগী অথন্নব পোৎশিংদা থাজবা অমসুং মদুবু নিংনব নিয়মশিং মদুদি বৌদ্ধ ধর্ম্ম, বৈষ্ণব ধর্ম্মনচিংবা। ৭। অচুম অরান অমসুং পাপ পুন্যগী বিচার তৌরিবা ঈশ্বরদুবু ধর্ম্ম হায়বনি। ৮। মানা মরম ওইদুনা হিংলিঙৈ অমসুং শিরবদসু (পুন্সিবু) নিংথিনা মহয় য়ালহনবা অদু ধর্ম্মনি (যতোঽভ্যুদয়নিঃশ্রেয়স্‌সিদ্ধিঃ স ধর্ম্মঃ)

ধর্ম্মদি অচুম্বদগী পোকই, দয়া অমসুং দান তৌরগা চাওখৎলি, ক্ষমা জীববু ঙাকপিহৈব গুণ অসি লৈরবতদা মাগী তুংনফম ওই অদুগা শাউরগা মাংই। লুরিবদি মসি মীগা কায়নবসু য়াদে।

আহার-নিদ্রা-ভয় মৈথুনঞ্চ সামান্যমেতদ্‌পশুভির্নরানাম্‌।

ধর্ম্মো হি তত্র মনুষ্যো বিশেষ্যো ধর্ম্মেণ হীনাঃ পশুভিঃ সামানাঃ

থৱাই পানবা পুম্নমক্তা চাবা তুম্বা, অকিবা অমসুং খুৎশেমগী মরূওইব থবক (অপাম মুংশি চিল্লোক্লব) মখোয় পুম্নমকসি চপ মানৈ। ধর্ম্ম হায়বসিতনা মীওইবনা অতৈ জীবদগী থোঙ্গদোক্লিবনি। মীনি হায়বসি ধর্ম্মতবু পাম্বৈনরগা হায়গদবনি। ৱাফম অসি ১০০

২০০ গী মন্মুংদা অমত্ত খন্দোকর্নিঙ্গ্লাই ওইবা মী অদুতবু নত্তে মীযাম্নু হাযবনি। শাগিন মনিং মখাতন্ন পংচৎ চৎপংচা-চা তৌরিবসি তৌদব (করিগুম্ব নিযম থম্ন ভাকপদদি মীনা শাদগীম্নু তৌগ্নি) মখোং অনি পানবনচিংবা মতৌনা তিনবা জীব অমব মীনি হাযনা লৌবা যাই।

মীওইবগী সমস্যাশিং যামদিভেদা যতোহভ্যুদযনিঃশ্রেযস সিদ্ধিঃ স ধর্ম্মঃ, অসিগী হাযরগা মা অমা পোকপদগীনা শিনা ফাউবগী, নোং ঙানবা অমদগীনা হযেংঙুক্কা লোংঙাগ্নকপা পাঙথণী লোনচৎ মযামদু খঙনবা যাব ম্ম। হাজর্কি মড নত্রে। নিংম লাইরিক যাম্লে। খুদম ওইনা ভরাংশ থোক লব নাগরিক শাস্ত্র আসন্ন ধর্ম্মগী অঙ্গ অমনি লৌবা যারে।

"স্বধর্ম্মে নিধনং শ্রেযঃ পরধর্ম্মো ভযাবহঃ" মশাগী ধর্ম্ম অদু শিবা ফাউবা ভাকদবনি, খাজক্কং খুদোংচাবা ডরগা হান্নগীডু হেক লংশেল্লগা অতোপ্পা ধর্ম্ম অমদা হেক চোংশিনবদি থোইদোক্লা অকিবগী মশকনি। গীতাগী আদর্শ অসি মখল অনি অদুম থোক্লা নৈনবা যাই। শিক্ষাগী মাহকৈরোমদা নক্লা খল্লগা (১) নঙগী নপুন্সিগী অযাম্বা শকক্তি ডাক্তর ওইদুনা লেল্লগা লোইরমদাইদা উকিল অমুক ওইবা তাররদি কযাদা অকিবগী মশকনো ? (২) ধর্ম্মবু চৎনবীগী নক্লনা খল্লগনা নঙনা নশাগী হিন্দু ধর্ম্ম থাদোক্লগা করিগী খৃষ্টিযান ধর্ম্ম লৌগদগে ? অসিনচিংবা।

মহৈ অমা হৈনবগীদমক পিগ্নিহৈদগী হোৎনবন পুন্সি চুপ্পগুম্না মতম হাযবা নাইদনা হাইবং মিপক হেক পোকপদগী ধর্ম্ম অসি

নৈনগদবনি, অতে হৈনবীগুম্না মসিবুস্ত হৈনহনগদবনি।

ন ধর্ম্মকালঃ পুরুষস্য নিশ্চিতো,
নচাপি মৃত্যু পুরুষং প্রতীক্ষতে।
সদা হি ধর্ম্মস্য ক্রিয়তে শোভনা,
সদা নরো মৃত্যু মুখে অভিবর্ত্ততে।

—শান্তি পর্ব্ব মহাভারত

মীওইবগী ধর্ম্ম আচরণ তৌনবগী করিগুম্বা অরেপ্পা মতম অমত্তা লৈতে, অশিবা হায়বসিনা মীবু মতম খরা ভাইবিথিনি হায়বস্তু নক লৈতে হায়বাদ নত্তদি ধর্ম্ম কর্ম্মদা করিস্ত খণ্ডগ্রি; খরা তৌরুখো থক হায়রিব্রোই মীওইবাদি মতম লৈবথিবিক্তা অশিবগী মচিন্দা হাদুনা লৈরিবনি।

ধর্ম্মগী অর্থনা পাক চাউনগুম্ব পুকচেল চাওরবদা মাগী তুংনফম্মি। অগনা মিংহেং তাকপা পিরুনা স্বার্থতগী শিকার ওইননবা তাক্লিবা ধর্ম্ম শিক্ষাদু থাদোক্কদবনি। ময়াম পুম্নমকপু মশামক্কুম্না উদুনা বিশ্ববন্ধুত্বগী পাউত্তাক যৌননবা শিক্ষাদুনা অচুম্ব ধর্ম্ম শিক্ষানি।

অধর্ম্ম করিনো ?

লাইয়েকপা হৈফাত্রিব মীনা করিগুম্ব য়াম্না ফাডরব মুর্ত্তি অমা যেকপদা হয়াঙ্গৈ-লাঙ্গৈনা হৈক্লা মানবগুম্না কয়া হৈশিংফাত্তব অমনা ধর্ম্মগী মরিদা করিনো অম .হক হায়জিনবদা মাদু মাগা হেক্ত চানরুই । কান্নবগী হায়রবদি অমম্ববুদি মঙাম্না য়াম্না হেনবনি অদুবু খুৎশেমসিদা মঙানগী শরুকপুদি অমম্বগী শরুক্না ফন য়াম্না হেল্লি । অধর্ম্মগী মনুংদা ফন যাম্ব ফওব মথৈ চনশিনব য়াই তৌইগুম্বস্নুং ময়ামদু চিংথদনা শীংথানবগী চে লৈক্তদে ।

মীওইবত নত্তমা জীব পুন্নমক হিংনীংঙি, নুংঙাইনা হিংনীংঙি মীওইবনা খর মপাঙ্গল শোনবনা নত্রগ য়াম্না য়াখল খনবা ওম্ব জীব ওইবমা মতম 'চুপ্পদা নুংঙাইনা নিংথিনা অমস্নুং খর লেমজন মওং চানা হিংব পাম্মি। নুংঙাইনা নিংথনা হিংনবগীদমক তঙাইফদে কনা ।

কনাগুম্ব মীনা হিংনিঙৈ অমস্নুং শিন্নব মতুংদা করি করি অক্ষ ফত্ত' থিবম থোক্কদগে হায়ব খন্দ্রবদি থোশাদ্রব'দ তৌনিংবত' তৌই ; মাবু 'মীমা য়েংবদা মপাম্বোংগী মথেদদি সাধু ফনা মান্না উরবস্নু কঙ্লাঙ

মরক্তা চাকতামিন্নৱিব উৱোককুন্না থবক্কী ত ঞ্জা লাক্লগা চিশিল্লক্লব চোকশিল্লক্লব মতমদা ইন্নাঙ্গি লাঙ্গৈনা অধর্ম্মনা নুংঙাইনিংলিব মীচু মশক শেংলকই।

ঐখোয়না অচুম অন্নাল কনাগী মতেংনা থিগদগে? মী খুদিংমক্কী মিৎযেং অমসুং অপাম্ব তোংডাগৈ—ভিন্নঃরুচির্হি লোকঃ, অমদা চুন্নিবচু অতোপ্পা অমগীদা লাল্লি। ৱামনা যজ্ঞ ঙাকপদা হিংচাব কয়া কগা হাতোকহ। মচুদা মুনি ঋষিশিংনা পেল্লি। হিংচাবগী কাংবুনা ৱাণা তেংথাই। নাকল অমদা ধর্ম্ম অমসুং নাকল অমদনা অধর্ম্মনি। ৱাম অমসুং নম্নামিবগী মিৎযেংদা চুম্মি; ৱাবণ অমসুং মারিচনাচংবগী মিৎয়েংদনা লাল্লি। ৱামনা হায়রি- ক্ষত্রিয় জাতিগী তৌফম থোকপা শিন্থা পাংথোকপান, বিশ্বমিত্রনসু হায়রি— যজ্ঞ অসি ঐখোয়গা লোয়ননা মর্ত্যালোক'পৃম্বগী, ইহলোক পরলোক অনিমক্কী কান্নবব তৌরিবান। হিদমনকম্নি হায়বসিগী ওন্ন-তৈনবদা ৱাবণ অমসুং মারিচনচিংবনা হায়রি— এখোযদি ইচিঞ্জাক থিদুনা চাজবনি, ইবুক থন্নবা নোমজবদবু অধর্ম্মনি হায়ৱবদি নোম্মুদনা (অতনবগী মওংদা) লাম্না শেরবাদ অমসুং ঐখোয়না য়োকফম থোক্লিব পৱিবারবু অৱাম খোৱাংবগী শিকার ওইহন্দুনা হাত্তোক্লবদি মদুবু অর্ম্মনি হায়ৱোইদ্রা? কাংবু অনিসি মাগী মাগী মিৎয়েংদা ইচুম চুম্মে। ৱামনা ঐখোয়গা কান্নবব তৌরম্মি, ৱাবণদি মীয়ামগী ওইব কান্নবব তৌরমদে মরম অদুনা লাল্লহেক মহায়বসু য়াদে, অসুম্না হায়বগী মহুত্তা মশোয়ানিনা মাগী মাগী কাব্য ক্ষেত্রদা চোং- থোক্লদুনা লানঙন্ হিৱাল হায়গৎকে থোৱাংলিবচু অমসুং মশানা

মশাবু লৌনমজব তৌদনা মপুক্লিংনা থাজৱিব চুম্মি হায়ৱিবা হিৱম অতুদা নিংথিনা চত্থৱক্লিবতুমক থাগৎনিংঙাইনি।

কনাগুম্ব মচা-মশু যাম্না লৈব নংবনা পৎ তৎলব মথৌনাদি লৈজব মুপা অমনা মীতাৎপ য়াব খুৎলাই পায়তুনা হুৱানব চৎপা মতুদা চুম্বগী মশাগী (হিংনব) তঙাইফদ৲ পোৎশিং পোৱকপদ নত্তনা মশা কন্নব অমস্থুং থবক পাংথোক্লব হোৎনবদা মীবু হাত্তোকউব নত্তগা শিব যাব মখৈ লাক্লবিৱম্ব' থোদোক অসিবু অধৰ্ম্মনি কমদৌনা হায়গনি, কমদৌনা হাযদনি ॥ ধৰ্ম্ম শাস্ত্ৰ অমস্থুং লোনচিংবনা হুৱ'নবা ফৈ তাণদ্ৰি, পাপনি, লাল্লি, তৌফদেত হায়নৱিবনি তত্তনা। হুৱানবা অমস্থং মাগী থম্মোই চেনব মীনদি চুম্মি হুগদবমক্লি হায়গনি। কুপ্পা যেংশিনব ফাবোক্কা মিৎযেংদস্থু মাগী তৌনিংঙাই কৱিমত্তা লৈৱক্তব, চাবিনবশিংগী অৱাম খোৱাংগী খোল্লাও অমস্থুং মাগী মথৌনা ময়ামসিমক্লা হুৱানতনবনি, লাল্লিবদি মাবু য়োক্লিব সৱকাৱ'তুনি, শোইহনখ্ৰুব মচাতুনা মীগী মপোৎ হুৱাল্লুৱগা মমা মপাস্থু শৱুক য়াৱোইদ্ৰা? হায়ৱক্কনি।

জগৎকী খুৎশেম অসি সত্ত্বৱজ তমো-গুণ অহুম অসিগী সাম্যাবস্থা চপ মান্নৱব মতমদা ওইবনি হায়বসি দাৰ্শনিকশিংনা য়াৱি। মীওইবদা গুণ অহুমসি পুল্লি অথোই-অহেনগী অমস্থুং পিক্লব পৱিবাৱ অতুগী কান্নব য়েংলিবনা সত্ত্বগুণতু পিক্লা তাশিনখ্ৰে, ৱজো গুণগা লোয়ননা তমো গুণনা স্থুক্কৎখ্ৰে। মথোয়গী মিৎয়েংতু পাকথোকপ ঙমদে। ৱাম বিশ্বামিত্ৰ অমস্থুং লৈত্ৰবস্থু হুৱাল্লুদনা খাঙলিব মী'তুগী ভাবতনা (পুক্লিংদনা) সত্ত্ব গুণনা হেল্লি, অতুনা মথোয়গী থবক অতুনা মীয়ামগী

কান্নব য়াব মওং ওইরব্রিবনি। মখোয়দাদ রজো গুণনা ময়াই ওইরগা তমো গুণগী চাংদি য়ামদে হায়রব তায়।

মুংশিৎনা ফনা কন্না অতৎ অখম লৈতনা শিঙ্গুনমকপু আকাশকী লৈচিন মতম পুন্নমক্তা পুমশেং শেংদবগুম্না ধর্ম্মনা মাবু তানখোক্লব ফন কন্না হোৎনজনমকপু অধর্ম্মনা সংসারদগী বিদায় লৌদুনা থক চৎখিরোই।

ঐখোয়না মুন্না যেংগদবাদ—থবক অসি ময়ামগী কান্নব্রা নত্রগা খরতগীরা নত্রগা মশাতগা স্বার্থরা হায়বাসনি। ধর্ম্ম পুন্নমক্তগী বাংহ থান্না ফিদম্নকর্মনি হায়নরিব সনাতন ধর্ম্ম (হিন্দু ধর্ম্ম) আসগী মচা ওইবা বাফমশিং আদশ পুন্নমক্কী আদশ ওইরব অসিতা কায়দনা চৎপা ওন্নবদা। অধর্ম্ম মশাক থডবা অমসুং মডোন্দগী কনবা ভূমগনি। হিন্দু ধর্ম্ম নত্রগা কনাগুম্ব ধর্ম্ম অমনা মসি যৌব পাউতাকমক পান্নমদুবগুম ময়ামাসগা গুন্ন তৈননবদা চৎলু হায়রমক্তি য়াওরম্মোই। হিংচাব শাংদুনা ফনা চুমদুনস্তু তরানা অদুনা ফনা আদর্শ ওইদুনস্থু মখেৎগী মতৌ ভমদনব হায়রবসি "বসুধৈব কুটুম্বকম্" হায়রবসি য়ৌবা যারোই, অদুননি। ধর্ম্মনা মাওইবগী মনুং মপান অনিমক শেংদোক্লগা মীশিংগী মমাং মতুং অমদি হিংলিঙে অমসুং শিন্নব মতুংগী পুম্নমক ফননব থৌরম শিনাব, মাসগা গুন্ন-তৈনব মখৈ অধর্ম্মনি, থাদোক্কদবনি।

ধর্ম্মো রক্ষতি রক্ষিতঃ।

শিক্ষাগী অচম্ব ফিরেপ

শিক্ষাগী পরিভাষাদি অখণ্ড অতৈশিংনা মপান্দা থর থর ইখেন লেন্ননা পুথোকনে লৌচপুন্নবসুং মযামসিগী মত্সুংগী ফিরেপ (তাৎপর্যা) যেংলবদি ইনান মান্নে। মযামদুগী মচং ওইবদি শম্লপা "মীওইবগী থুপ্পুনা লৈব শক্তিশিংবু মফংদা চাব পান্নে কয়া মকাম্না ঙাম্মোকচনা ;" অম্নম্না হায়রবা তি।

শক্তিগী অর্থ অমসুং লৈফম অদুগী মিৎযেং লেন্নবদা শিক্ষাগী পরিভাষা যাম্না অমসুং শীতল্লফম লেন্নবনি। নপানগী শক্তিদা যাম্না থাজবা কাংবুনা শিক্ষ হায়বদি চিংনবা পান্নে- ভৌতিক জগৎ অসিগী মাতিক চানব লেম্নবুনি হায়না লৌই অমসুং মদুগী মতিক চানব লেম শাদুনা শিক্ষাগী যাম্না সুপাচনব অর্থ হল্লি, তৌই-গুম্বসুং শক্তিগী যাতাফমদি উবব হকচাংসদা নত্তে, আত্মাদনি। খুদম ওইনা অকম্ব খুৎলাই কয়ামকম পাযরিব কাংবুদগী মশাদা ফি ফাওব থোংদ্রব, প্রকৃতিগী প্রকোপ কযামকুম্বু থৌশাদবত নত্তনা মখোয়দুমক্কা মাগী সাধনাগী পান্নেনি হায়না নির্মল কাংবুসিদনা শক্তি যাম্না হেন্না লৈ হায়রব যায়। আত্মিক শক্তিগী মমাংদা শারীরিক শক্তিগী কান্নবদি থাগা লোযননা থোকামম্নব থবানমিচাককুম্বনি।

মতম অমদা ভারত্তা আধ্যাত্মিক শিক্ষাতনা হেন্না পীরম্মি, তৌইগুম্বস্নং হৌজিক্তি শারীরিক নত্রগা ভৌতিক জগৎকা চানব শিক্ষাগীস্ত মাগুম্না তঙাই ফদ্রব লৈরে। মসি মতমগী যাওল মতুং ইন্না লাকপনি। হৌজিক্তি নোংমগী মনুংদা পুং ১২ দং পৈশা তান্নব থায়দোক্লগা লেমহৌরিবত্নমখৈ ইহলোক পরলোক অমস্নং সমাজগী কান্নব তৌদুনা চানব ধর্ম্মগী মীওইনা তিংব যাব যুগ নত্রে। গীতানা তাকপগুম্না কর্ম্মযোগদা যান্না মাযওনশিন্দব য়াদ্রব, করিগুম্ব মতমদস্নু মিকুপ অমও ফাওন শিন্না চাউদনা লৈথোকফদ্রব মতমনি, মসি যুগ ধর্ম্মনি।

মীশিং অমস্নং মখোযগী তঙাইফদ্রবশিং যান্নখৎলকপগী মতুং ইন্না মত্তগী মতিক চাবা শিক্ষাগী মওংদস্নু শেমদোকপা তায।

তিরম পুন্নমক্তা ইৱাং ৱাঙ্ভেদ তায়ববু ভারতীয বিদ্যাসিদা হইলোক্কী পাউতাক্কগী পরলোক্কী মোক্ষ ফংনবগী লমাজংনা য়ান্না চাং হেল্লি, তাযবসি মতাক্কী বদনাম ওতত্নুনা লৈরবনি। গীতা পারবদি ভাওর্নি; সাধু সঙ্গ তৌকনু তাযনা থিংব অহল লমন যান্না য়াউরি। অদুবু ৱাফম আসদি নৈনব ৱাৎলি তাযবদগী হেন্দে—

"শ্রেয়শ্চ প্রেযশ্চ মনুষ্য মেত্যস্তৌ সংপরীত্য বিবিনক্তি ধীরঃ।
শ্রেযো হি ধীরোঽভিপ্রেযসো বৃনীতে,
প্রেয়ো মন্দো যোগ ক্ষেমাৎ বৃনীতে। ১। ২। ২

অরানব খুবম পিনিঙঙাই ওইব শ্রেযবিদ্যা অমস্নং হিংনবগী পান্বৈতমক পিনিঙঙাই ওইব প্রেয—অবিদ্যা মগল অনিসি মীওইবনা

ইফং ফংবা য়াই। মতুদা লৌশিং শিংব মীনা সংসারগী বন্ধনদা হল্লা হল্লা পুন্সিন্দুনা থম্বিবা হিংলিঙৈতগী ওইনা কাম্নব অবিদ্যাবু থাদোক্লগা মাবু ককথৎতুনা স্বর্গ ফংহনব ভম্ব বিদ্যাবু লৌই অদুগা অপংব মীশিংনা ফংদ্রিব পোৎপু ফংননব অমম্বং ফংলববু ভাক্লনবগী পাম্বে ওইরিব প্রেয়-অবিদ্যাতবু হয়াওনা লৌনৈ।

হায়রিব কঠোপনিষদ্‌কী ৱাফম অসিননি য়েলহৌভেদগী হৌনা ভারতীয় শিক্ষাদা অধ্যাত্ম-বিদ্যাত নত্তুনা ভৌতিক বিদ্যাম্ন য়াম্না চাউখৎলি হায়ব।

শিক্ষামনোবৈজ্ঞানিকশিংনা শিক্ষা পিননবগীদমক খনগৎপ নিংথিব পাম্বে কয মরূমগী মনুংদা হৈনবী (হেবিড) হায়বসিম্ন অমনি। সংসারগী চিরম পুম্নমকসি মীওইবগী হৈনবী ইওয় ওইহনব য়াই। মথক্কী বিদ্যা অবিদ্যা অসিম্ন নৈনবী ওইহনব য়াই। কনাগুম্ব মীনা অবিদ্যাদা হৈনখ্রবদি মাংজোননা শ্রেয় বিদ্যাগী হৈনবী তাহন্দ্রবদি মাবু চৎি লিরব মতমদা মতুগী হৈনবী তাহম্নব হোৎনবদা য়াম্না ৱাই। মপুং ফাগন্দে। “শারিঙৈদা য়েহৌ শাক্তনিংব শাহৌ হায়বতুগী ওম্ন-হৈনবসি, হিরম পুম্নমকসি মতম চানা হৈনবী ওইহন্দব য়াদে। অসিনা অবিদ্যাত নত্তুনা বিদ্যাগীম্ন শিক্ষাদা মকম পিকম থোকই। প্রবন্ধ অসিনা ঐখোয়গী নত্তব শিক্ষা প্রনালী মখে যজ্ঞোমদা তাবহযিংগুম খন্দোক্কদবনি হায়বদি নত্তে। হৌজিক্তি সমন্বয়গী যুগনি। ঐখোযগীম্ন অতুমডাই অতুগা মখোয়গীম্ন। ‘মাগীসি কৈ’ হায়রগা হয়াওনব ভাক্কনি। মীয়ৈবাক্কগী লাকপা শিক্ষা প্রনালীশিং—

প্রোজেক্ট পদ্ধতি, কিংডরগার্ডেন মান্টেসরী পদ্ধনিতনচিংব প্রয়োগাত্মক পদ্ধতিশিংসিদগী কান্নগদবদু শোয়দনা লৌশিনগদবনি বেসিক শিক্ষাস্থ য়েংগদবনি, য়েংহনগদবনি। অদুম্নদি ওইরগা মখোয়সি সাধন-নি লমথুইকম সাধ্যদু নত্তে। অঙাংশিংগী অহাব জ্ঞান বিকাসকী পাম্বৈতনি, ফংগদৌরিব জ্ঞান অদুমা থিনগদৌরিব কন্নিগুম্ব অমা লৈরি।

হৌজিক শিক্ষা প্রনালীদা সাধনশিংবু সাধ্য ওইনা লৌদুনা ভারত মচাশিংনা 'ত্রিশঙ্কু' ওনবা মীশিং য়ায়ে। ইংলিশস্থ ওইদ্রে বিদেশীস্থ ওইকুবা ঙমদে। অনিমক্তগী খুৎ হামদুনা লৈরে। শিক্ষাগী অরোয়ব থাক্তি—'ঐবু মশক খঙব. 'আত্মবোধ' হায়রিবসিনি মসি য়ৌত্রবদি তেনবাদা তম্বিবা মরোলগুম্বনি।

লাইরিক লাইশু তম্বগী কাম্রব নত্রগা কনাগুম্ব চংখোল্লব মীওই অমগী মতৌদি মুমিংকী মতৌগুম্বনি হায়না লৌবা য়াই। মুমিৎপু অচৎ-চত্ত জীব পুম্নমক্কা চপ মান্না মুংশিনা ঙাইনৈ। থোক্লক্তি মখে বানৈ। মাগী তরং তরংবা মতৌদু উরগা জীব পুম্নমক মাগুম্না হয়াও হয়াও মথৌ তৌবা হোনৈ। মহে হৈব মী, দেশ নেতা অমস্থং চংখোল্লব মীওই হায়বদি মুমিত্তা লৈরিব মগুণ অসিগুম্না লৈগদবদি।

পাউতাক পীবা ১স্থং মিস্তাংবনা মৈতোন য়ান্নবা

মমাংলৈঙদগী হৌনা ভারততা পাউতাক পীনবগী পান্বে অনি শীজিন্নরমই। কলা অমস্থং বিজ্ঞান। বিজ্ঞানগী মনুংদা অঙ্ক অমস্থং প্রকৃতিগী পোৎশক খঙবনি অদুগা কলাগী মনুংদনা মসিদগী লেমহৌরিবশিং অমস্থং দর্শন ফাওবা যাওবা য়াই। কলানা পাউতাক পীবদি অথাব তৌদাকপু অথুম্বনা যোম্লগা অনাব মীদা পীজবগুম্বনি। হায়রিবসিগী মনুংদা ৱায়ানা পাউতাকস্থ অমনি— অরিব ওইরবস্থ অনৌববু ওইরবস্থ ৱারী পান্বেনরগা পীরিব পাউ-তাকশিংসি মীওই পুন্সিদা যান্না চুশিল্লি. তাবদস্থ মুংঙাই। মিস্তাংবনা লমজিংলবদি কুহাদা তায়। পাউরৌ অসি ফোংদোক্লবা ৱারী মচা অমা লৈ—

নোংমা মিস্তাংবা অমনা মুপী মপামদা চৎলকপদা লম্পাক্তা যণ শেল্লিব যণশেননহাশিংদা হাযখি— অভাংশা নখোয় ঐহাকপু ইকুবোকহোযদা ভাইহাক্তা থিনবিয়ু।

যণশেননহা—ঐখোয়দি যণ যান্না শেল্লি, ভাদবু থিল্লিভৈদা যণ পুম্নমক ইচাই চাইথোকখিগনি, অদুনা ঐখোয় তাদবু থিনবা

ওয়োই। মকুবোকখোযগী য়াম্না মবুক তপ্লবী ষণবী অমা য়াওরি। মসিগী মমৈ পায়দুনা চৎখো মানা চংবা ইংখোলদুদা মহাকস্তু চংউ।

ষণশেননহাশিংগী বাড় তারগা মিত্তাংবা মুপাদুনা ষণবীদুগী মমৈদা মখুৎনা চেৎনা যাল্লুরে; মদুদা ষণবীদুনা কণ্ডাওনদুনা মিত্তাংবদুবু মখোংনা কাওবা হৌরক্লে, মহাকস্তু ইথা থাদোক্কে। ষণবীদু মোংশোং তিংখংনচিংবদা শমদুনা মিত্তাংবা মুপাদুবু চেন্দুনা কোয়চেন চেল্লে। মিত্তাংবা মুপাদু মশা'পুম্বা যাম্না হোগায থিন-গাইরে। মকুবোকীদা মুংদাং খেংনা মৈতোন যাল্লগা যৌরে।

মকুবোকী ষণবীদু থাদোকখ্রগা মাংথোকখিগদ্রা চিংনজদুনা থাদোক্তনা ষঙ্গোল য়োজরব মুপাদুবু মকম অদুদা লৈরম্লিব মীশিংনা চিংনরদুনা ফুবিরে। ষণ হুরানব লাক্লবনি হাযবিমে।

কলা অমস্তুং মাগী ঈহৌ

মীওইব মহৌশানা ত্রিংননব পান্থে খরা— তুম্বা, চাবা অকি-অথং অমস্তুং শুংশেম গী থৌরাং (অপাম নুংশি চিল্লোক্লনা) অসিতনা পেন্দুনা। লৈথোকপা ঙমদে করিগুম্ব অহেনব খরা থিরকই, মসিগা ঈরোইননা নিতিগী শীজিন্নরিব পোৎশিংদস্ত চান-থক্লবা শেংনা ইন্নব অমস্তুং অতৈ লৈতেংনচিংবগী পোৎশিংদস্ত পোৎ পোৎ অত্তুগী তঙাইফদব থৌদাংশিংত্তদগী হেন্দোক থোইদোকপা করিগুম্ব অনা থিরকই মাগীস্ত মফম অমা থাকই। অত্তুগা অমরোমদা হায়রগা মীওইবগীদি ফজব পাম্বা অমস্তুং নুংঙাইনীংব হায়না পুক্নিং খোঙচৎ অসিনস্ত খাউমেগা মঙালগা কায়নদবগুম কায়নদনা লৈ। থাফম অসদগীস্থ হেন্দোকপা অমনা মীওইব মহৌশানা য়ুমলৈ-কেরৈ, থাওপ-চাকচা পুন্নমক্তা মওং চান-চানা, ফিরেপ তান-তানা লৈনাংই লৈননবা হোৎনৈ। হায়রিব ঝা অহুমসি কলা পোক্লবগী মন্নান। এখোয়না কলা মিংগোনরহুনা খঙনরিবা নুংঙাইনা লৈবাক মচা তানা হিংনবগা পান্থে ওইনারবা অমস্তুং 'ফজব' গুণগী মৈরামক ওইনরিনসিদি য়াম্না ঙমদগী মীওইব জাতিনা

অনিশুব মিকপ থোকপদগী লৈরক্লবনি। মমিং থোনবা কোঞ্জবনি। মীওইবনা ইহান হানবদা ভিংনবা পুক থন্নবা কন্না হোৎনৈ, মথংদা মমাংদা হৌরিব হৈপাল লৈপাল, শাৎলিব লৈ উহৈ ময়ামতুদগী ফজব, পামজরুব পোৎশিং হেক্লতুনা মশাবু অমসুং অতৈবু থেৎচিনবা মমৈদা চানরুতুনা লৈতেংবা হৌরকই মতু উরগা অসভ্য ওইবদগীনা নিংথিনা সভ্য ওইরব মীওই ফাওবগী পুক্লিংদা হাযফম খভ্রব অপেনব হন্নাওব-গুম্ব অমা ফাওরকই, শেংদে হায়দোকফমদি খভদে মপুক থন্না চারগা সুংশা যাইরগা, উরুম চংলগ, তুন্নগা, অমগা অমগা লারু-ফানা শান্নরুরগা ফাওরক্লিব অপেনব অতুগা ইথেন খেন্নৈ, মসিনা ইতোপ তোপ্পি। ফজব পোৎ খনব', লৈতেংনীংবা অমসুং মতুদগী করিগুম্ব অপেনবগুম্ব অমা ফাওরক্লিব পুক্লিং থোংচৎ অসি কলাগী অহানব ঈহৌনি।

কলা শব্দগী অর্থ—মান। সুংঙাইহনব গাযবনি। সংস্কৃততা ময়েক খুদিংমক্কা অথ লৈ। [কং আনন্দং লাতি দদাতি—পী—অসিদগী কলা শব্দসি ওইখিবনি | অখুঙবমকন্তু কলাগী মপুং ওইরিব থবক্তি সুংঙাইহনবনি। ফজরমদববু ফজহনবনি, ফজরন্নববু থোয়না ফজ-হনবনি মরম অতুনা মাগী খবাক্ত সুংঙাহনবনি। প্রকৃতিগী খুৎ-শেমদ ম ওহবনা মচোশিং মবুদ্ধিনা মাগী মতৌ তমদুন অদুগা মপুকথোক্কা করিগুম্ব খুৎশেম খরগনা মশামক্কী অমসুং অতৈগী থম্মোই শোক্লা পেনহন্নবা পম্বেবু "কলা" কৌই।

ভারতকা পণ্ডিতশিংনা কলা ৬৪ (চৌষট্টি কলা) শীংথারম্মি। মীয়ামগা য়ান্না তোয়না তায়ওহনবিনদি ইশে, জগোই, যন্ত্রশিং, লাইঃয়েকপ, খুৎনাহবগী থবক, দেশকী লোল খঙবা, লাইরিক লেংবা

কাব্যনচিংব সাহিত্যগী মখলশিং নৈনবা অসিনচিংবসিনি। ৬৪মকী বা মসিদা নৈনরোই, চে চন্দে। শয়গ্না হায়নীংব অমত্তুংদি—মীওইবগী হেনফত্রব ধম্ম অর্থ কাম মোক্ষ মরিসি যাম্না লায়না নীংথিজনা মহৌয় যাম্নব পাম্বৈমখে কলাগী লমগীদা লেংহনা লৈরে।

কলাগী কান্নবদি মুংশাইহনব, পেলহনবনি। কবিগুম্ব অথম্নবব পাত্র অমদা হাপনবস্তু অচাপোৎতু চায়গা পুক থল্লি, পুক থন্নবগী দমক্তি চিঞ্জাক্লি যাম্না মরু ওইরিবদি, পান নত্তে তৌওগুম্বশুং মীওইবনা মদুতনা পেন্দে ফজব পাম্বগী ঈখৌ লাংবদু কোক্তে—কলাগী কান্নফম থাক্লি। অকোযব, চিগেক নাইব, থা মচেৎ শাবা মখল মখলগী পানশিং অচাপোৎ হাপ্নফম ওইনে। অনৌব মীরোলমা পাম্বব মতুং ইন্না নোংম নোংমগী মখল মখলগী পান মশীং হেনগৎলক্লি। পাত্রদস্তু নত্রি চিঞ্জাকতুমকস্তু চানা যানবদা নকনা "যেংবা য়ানবস্তু" কন্না হোৎনরি। লড্‌ড়গী মতুম তাবনা সিংহ'রাগী হৈকক মওং অমস্তুং চাকলুক ফজনা শেমজিনবনা 'যেংবা য়ানবনি', মদু পুক থন্নবা নত্তে মহাওদা খজিক মত্তেং পাংলবস্তু 'যেংবা য়াব' তুমকতি মহাও নত্তে, তৌইগুম্বস্তুং মদুদা থাম্না মতম চংনা খুৎ চংনা হোৎনরিবা, হোৎননীংলিবদুদি কলাগী দরকার ইরে নৈ হায়রিবান; মরমদি 'যেংবা য়াবদুনা' হায়ফম খণ্ডব অপেনব অমা পীরি।

উপাক থরা শন্দোক্লগা হিপ্পদা তুমথবা যারোইদবা নত্তে, উত্তুপ অমদা ফমথবা যাদবা নত্তে, অদুবু সভ্য ওইরে হায়নীংলিবশিংনা তনৌ তনৌনা উরবা কাংথোল চোকীদা মখোয়গী সভ্যতাগী

চহি কুমশীং শীংথানবা হোৎনৈ। অসুম্না (থবক) শীজিন্নব যান্নব কলাসি শীজিন্নরিব কাংবুনা মশাবুস্ন সভ্য ওইরে চাওথোকচৈ।

মসুংগী কান্ননিঙাই ওইরিব শিল্পাদি অমত্তা ওইরবস্ন শীজিন্নব মওংগী মতুং ইন্না মপক্তা হাযখ্রিবসি নত্তব কলাগী মখল অনিমস্ন লৈরি (১) ললিত কলা (২ বাস্তু কলা। পুং, ইশৈ, জগোই, লাই যেকপা কাব্য কলানচিংবু ললিত কলা (থোং মেংলন কলা) হাযনা খঙনৈ। য়ুম শাবদা, ফকাংনচিংবদা হক্কনা মূর্তি শেন্নরিবসি বাস্তু কলা নত্ত্রগা স্থাপত্য কলা হাযন খঙনৈ।

ললিত কলাগী কান্নবাদ অলৌকিকনি হাযবদি কাংলুপ অসিদগী ফংনরিব কান্নবদু অকে অতৈ পোৎশিংদগী ফংবগা হমান মান্নদে ইতোপ তোপ্পি। লাইযেকপনা পুথোরক্লিব ঈশিংদু ঈকজনবনচিংব যাদে, থকপা যাদে, শথোল তোংনবা যাদে, উঠৈ চাবা যাদে, অদুন্নদি ওইরগা মথোযসি পুথোরকিন মী অমস্নং ভাবোক্কী থম্মোইদ হাযফম খঙদ্রব মুংঙাইন অমা ফাংদ। অসুম্না মাগী শাগেগী কলাশিংগী কান্নবসি থম্মোইগী চিঞ্জাক ঙাক্তান।

ললিত কলাগী অমস্নং অতৈ লেমহোরিব কলাশিংদগীসু মকোক থোংলিব মীওইব পুন্সিগা যান্না নক্লরিব কলাদি কাব্য কলানি। সংসারগী মরীদা খঙনিঙাই ওইব খন্তাংনবাহ ওসব'পূস্সা, মীওই অমমন তগী ওইন হিন্নম অমস্নং মাগী ইচ্ছা শক্তিনা কদাই ফাঙন থবক তৌবা ঙম্বগে হাযন পুন্নমকসি কাব্য কলানা নৈনে। প্রকৃতিগী অমস্নং মীওইবগী মসুং-মপানগী ওইন মওং'পূস্সা, অক ফত্ত লমচৎ পুন্নমক

কাব্য কলাদা লোয়না মতম য়াম্লি। তৌবদি কাব্য কলাগীদি কলাকার অমসুং ভাবোক ওইননা অমুক হন্না ওইগদবনি নত্রবদি মহয় পাক য়ান্দে।

ভর্তৃহরিনা -

সাহিত্য (কাব্য) কলা, সংগীত কলা অমসুং অতৈ কলাশিংগী মপুংদা কৌরিগুপ্ত অমা হয়বগুম মগী মীচু চুম্না মপোক্লা মীনি হাযবর্তিন নোংমাচি পান্দবা শাবা পাংথক নত্তায়।* মসিনা তাকপদি মীওইবগা কলাগা ইকায় কান্নবা যাদে; মানা মানা হৈনজবা অমদি মরোশিং মবদ্ধিগী মতুং ইন্না খরা লূন নত্রগা লাইরবন কলা নৈনবতনি, মগামতুদা অমা হংশোক পোক্কন নী লৈতে। খুদম ওইনা লাইরিক মাযেক উদবা উত্সবা লাইয়েকপা, হৈশে পদ অমত্তা শাওবা ভমদব সনা সাবা, কি লোনবনাচিংন খুংনাইরব মী কযামরুম মপুন্সি মহয় অতুম য়াম্লি। মরম অসিনা কলাগা লম যাম্না পাকই।

কলাসি যাতায়নদা মীওইবগী থম্মোইনি; মসিমক্লা মীখল নাইদনা মাবু শুবা হবা যারবা। থম্মোইগা মরী লৈনব য়াফমদি মহে হৈব হৈতব খন্দে, মাবু নীংত্তন খোঙ্গুনতবু লীরুরবদি মানা হেক্তা থৌজালবী।

খুংনাইবগী খুংশেম, লাইযেকপগী লাইযেক, যুমলৈ-কৈরৈ, লীলা, জগোই মচাক লোল অমসুং কাব্য মখোল অসিদি কলা ফোংদোক্লবগী পাম্ন (মাধ্যম) নি। দর্শন শাস্ত্রদা (১) ভাস্বর শুক্ল

* সাহিত্যসংগীত কলা বিহীনঃ সাক্ষাৎ পশুঃ পুচ্ছবিষাণহীনঃ

মশাদগী হেন্দোকতুনা অতে পোৎশিংবুস্ত ভাস্থোকহনব ভম্বা মুমিৎ, থা, মণি থাওমৈনচিংবা, (২ অভাস্বর শুক্ল —মশাদা করিগুম্ব মঙাল অমা তাৱৱবদা ভাস্তোকচৱকপা ঈশিং, মিংশেল, শেনশেং অমস্তুং ঙভৌব ফিনচিংব অস্তুম্না শীংথারি। অনিশুব মঙাল অভাস্বর শুক্লগী মতৌগুম্না মীওইবগী থম্মোইনা মঙান তারু তারুবা মপানগী পোৎশিংদুদা ফজবগী মঙান অমা হেক হেক ফাওৱকই। অমস্ব (মীয়াম্না খঙনৱিব) কা অমদা লেরিব পোৎশিংড় খঙহন্নবা থাওমৈগুম্বা পাম্বে অমা দরকার ওই। অসিনি তাকপিবা অমা য়াওৱবতদা কলাদুগী ফজরব পোৎ-শিংদুগী গুণশিং মীওইবগী থম্মোইদা ফাওই। মসি কলাগী অনুভব পক্ষ—মাবু লৌশনগদব নাকল অদুগী ৱানি ভাবোকশিংদা ফাওরিব মুংভাইবড়গী ৱানি।

কলা মশামক্তি মথক্কী ভগানব মঙাল ভাস্বর শুক্লগুম্বনি। মহাক্তি কনাগীস্তু মতেং লৌরুদনা মশামক্সা অদুম ভাঙ্গুরবনি। কলাগী হেক লৈরিব হিৱম নত্রগা মাগী মশক মওং পুম্নমক প্রকৃতিগী কলা মন্দির (সংসার) অসিদগী হতোপ তোপ্পব ইনৌ নৌব করিগুম্বা থুৎশেম অমগা ফোংদোকপা নত্তে। হারমোনিয়ম খোংব মীনা মথল মথা অয়াম্ব স্বরশিং পুরক্ত,না ভাপচিনবা নত্তে, স্বরশিংদু মহো-শানা লৈজরব ভাক্তনি; মীনা খোম্থাংশিংদুগী মখিং থোন্দুনা শীজিন্নব মুংভাইনবা শেমজবনি। যন্ত্র পাম্বেনরভুনা ফোংদোরকপনি।

ভারতকী একং।

একতা কদায়দগী লাকই? এংংতা ভূগোল অমসুং রাজনীতিনা পোরকপা ঙম্বা? মখোয়সিগী পাউখুম অহল-লোলগী খোউগুল লিরবাদ ফংগান।

ন গৃহং গৃহমিত্যাহুর্গৃহিনী গৃহমুচ্যতে।

কনাগুম্ব মা অমনা ফনা নাংথিজগ্রন য়ুম অমা শাদুনা থম্লবসু মদুনা য়ুম (য়ুম লাংবগী মতৌ) কৌবা যাদে, মুপাদুনা মাগী লোযনবী নুপী অমগা লোযননা মফম অদুদা লৈমিন্নরবতদা য়ুম (য়ুম লিংবগী মতৌ) কৌগদবনি। মসিগী মরু ওইবা ঈঙ্গিৎ অসিনি—য়ুমগী মবেম্মদুনা নিংথিনা তাশিন খোমজিন্দুনা য়ুম অমদা লৈরিব মীওই পুম্নমক্কী তুংনফম (কেন্দ্র ওইনা, বাহৈ অমরোমদা হায়রগা মহাক্কা মীয়ামদুবু মুশিং থৌরা ওইদুনা ইফা কাঞ্জিন পুনশিল্লবতদা য়ুম অদু য়ুম্বানব মতৌ তোরিবনি। বা অসি কয়াদা চুমহ্রবনো। ইমুং অমগী মীখল খুদিংমক্কা চপ মান্ননা অমত্তা ওইনা হেক মরী লৈনরিবদি গৃহ-লক্ষ্মী অসিতনি, অতৈদি থাপ্নবা ঙাক্তনি।

য়ুমগী মবেল্লা অমগী থৌ য়াম্ম। ইমুং অমদা হেক লৈরিব মী খুদিংমক্কী পুক্নিং ৱাখলাশংদা য়ুম্বুরেল নুপীচু ইরোয লোযনৈ মানা মানা পাল্লিব াহেরম হিরমচুদা মহাক ইযাও থাওই। যারিমথৈ ৱাখল খোঙুবু ওইমিন্নে। মযামচুগী ডাযেরীশিংচু নুপীচুনা লোযনা শুই। ডাইহাক্কা মমাংদা থে কাখব, মতম শাংনা হৌখুব খোথোকশিং নগ্রগা ভুংদা থোক্লক্কদবা নোংমগী নভুংদা, প অমগী মভুংদা চহি অমগী মভুংদা থোক্লক্কদব অসিনচিংব ইমুংগী মীওইশিংগী মরী লেনব ৱা পুন্নমক হেক যারিবমথে য়ুম্বুরেল নুপাচুনা লোানা, খডাজাল্লি, খল্লি, মতম মতমদা হোদোক্লচুন • ঘ নচুগী শাব শান্দোবহ। অসুম্না মপুং ওইনা মপু ওওব দাযত্ত্ব পুানবন অন খাগুদ্রবাদ খুনচুগী শাসন ফেল ওইগদবান। মপুরোইবনা চংথোক্কদ' মচানা স্কুল ৱাগদবা, মকুবোক্ল। মী ডম্নগদবা, মনাও নুপানা বে লেজ ব গদব পুন্নমক ইলেকট্রিক মেচিন ফেল ওইরগা ানী বরেন্টল শীাক্তিন্নবরম্ব থবক পুন্নমক পুমলেপ লেপ্লগুম লেপব দোাববান।

অচুনদি য়ুম হাবনাস াদমক চেক্ল নুংশা নজ্রণ অতে অচম্ব মচাক্লবু ওইরবস্ত্র মাওইবনা আয' ওশা েং নুংাশনগা নশা . বন্দুন নুংডাইনা লৈনবান হাারব অান শংং মথেনা খানব, পুবচেল হা ডন াতন্নদবনা পুল্লব মীবামচুদা ব্রানল পুাচন অমগা শহইন্দুনা শম্নলব ডব্লন মমা ওইবগী মতে অমা যান্নমব •ং হফদে।

ভারত ডসি রাষ্ট অমান াপক্লবা চাওরব রাজা কযান পুল্লব লেবাক অমনি ভারতাগী ডসে ওইারা াবভম অসি মমাংডেদা ওইখিদ্রি অচুবু নমাংডেদগা হো• োমল্লব ভারতকী মথেল মযাম

অতুদি ভসিন্ত অতুম লৈ। লম অসি ধর্ম্ম মযাম, লোল ময়াম, ফিজেৎ মযাম, মখল মখলগী চিঙ্গাকশিং, শাওং শাদা কযামকমগী মীওল মযাম, শকফম মান্নদনগুম পুক্লুং থাখলশিংসু ইমান মান্নদ্রব মথেল মযামসিংনা লৈরি। অদুক যাম্না মান্নদ্রবশিংগী মরক্তা ক রগুম্বা ইমান নান্নবা ফিভম অমা লৈ, মরম অদুমক্না লম অসি ভাস ফাওবা লেবাক অমত্তা, রাষ্ট্র অমত্তা কোনারবান। ভূগোলনা রাজনীতিনা মাগা থাক য়োনা লম সরু পুনাশিনবা ওইথোক্তে, অতে লমদম্ আসিনডা ইহ। হৈরন আনাসাদ য়ুমগী ফক্লাংগুম্বান লোথোক্লগা নক্লগা নঙ্গরক্লগা কযারক শিনবা শেম্বা যাত, অদুনা অনাসিদি মতম খর খরতগীন, কুইনা লেংদবা লেংদবা অমত্তা নত্তে। মতম খর খরতগী ওইবা গোষ্ঠীশিংসু নত্তব কুইনা লেপ্পক্রব লোথগদবা যুদ্ধানবগী যুদ্ধ সু থগুম "শাদা" চাতরব পুম্নমক লাচং অমত্তা ওইনা ইরোয় লোথিনবা থারব অচেল অমা লোয়।

ভারতকী নান্নদন নথাঙগা মরক্তা মান্নবা অমা থিরকপদা নাযাঙগা পুক্লুং থাখলে। ওইবা মান্নদ শকফম অনা মতম মফম পুম্নমক্তা ২৮০ ফংই, নাসনা নথক্তা থুম্থুরেল পুপাদুনা মথাম্বু কোনশিনবা নতোদুগুম্না লম আসগা মীয়াম্বু কোনশিল্লি। ভারত সংবিধাননা লম আসদা লেপ্পিব হিংলব লোলশিং লোয়না চিথদনা শীংথবা ভমদ্রুন হোজক ফাওবদা লোল ১৫ থক শকখঙ মাইথঙনবগী ইকায খুম্নবা পীরি। মসি লোল যাম্মনবদগী শিকশিল্লক্তনা মযামসিগী মতৎ শিনবা ওইনা ইকায খুম্নবান। মান্নদ্রব লোলশিংসিদা ফোংদোক্লবা মরু ওইবা থাখলদি লোল পুম্নমক্তা ইমান মান্নে। লোল থেম্নথিবতং নত্তনা লম অসিগী থুংযি মযামসিগী—

লেখক অমগুনি. অস্তুম্না ফাওবা করি করিগুম্বদা তায়নীংলকই। ফিভম অসিগী চানবমক্তি লম অসিদা সংস্কৃত লোলনা মীয়ামগী (লাইরিক হৈবশিংগী) ভাব ফোংদোক্লনব পাম্মে ওইনরিঙে মতমগী ভাব মফোংদোক অদুগাদ অমত্তনি, হায়বদি চহি চা খরগী মমাংদদি ভারতবাসী পুন্নমক্লা অমত্তা ওইরব সংস্কৃত লোলদা অমত্তা ওইরব ভাব লম অসিগী দর্শনগী বিচারদু মাল্লনা ফোংদোক্লরম্মি। ধর্ম্ম সম্প্রদায় ফনা যামদ্রনম্ম লম অসিগী দর্শনদি অমত্তনি। লাই থাক্তব কাংবুগী দশন মখল তরুকত্তু মিন্তাংব তরুক্লা শামু য়েংবগী ঝা (অন্ধহস্তীন্যায) অদুগুম্বনি। মখোয়গী মন্নুংগী ভাব অদুগা মখোয়না ফংনীংলিবদি অমত্তনি।

হৌজিক সংস্কৃত লোল অদুক কল্লা মমাংদৈঙেগুম্না নৈনপ্রবসিদম্ম হৌজিক হৌজিক নৈনরিব চৎনরিব লোলশিংসিদা ফোংদোক্লরিব ভাবতি, অমত্তনি। লোল খৈথখিবতনি, মন্নুংগী মথৱাইদি হান্নগীদুনি।

ভারতকী অমং অত্তা লৈবা রামায়ণ অমস্তুং মহাভারত অনি ভারতকী লোল পুন্নমক্তা ময়ক্তা অঙকপ কংবমথৈ ইমান মাল্লনা লে। মহাকাব্য অনিসিনা ভারত হিংলবনি অদুগা অনিসিদা য়াওদবা লৈদবনি. মাওইব জাতিগী করিগুম্ব ফজব থরা (অপোব অমস্তুং কুপ্লব ফিরমশিংদা) ফংনী লবদি রামায়ণ অমস্তুং মহাভারততা মদু শোয়দনা লৈ ফংবা য়াগান। মরম অসিমক্তনা লম অসিগী হিংনব জীবনী শক্তিদি মহাকাব্য অনিসিদা লৈরে।

মীওইব ব্রাখল অমদি পুক্লিংগী মখা পোনবনি। অমসুং মহাক্তি মশাগী অসিগুম্ব ব্রাখল অমদি পুক্লিংগী ওইবা পোথোক অদুবু মশামক্কুম নুংশিজৈ। অসিদা নকনা লম অমদা খল্লিব ব্রাখলদু অতোপ্প লম অমদা খল্লম্ব ব্রাখল লমচংকা মান্নরম্নবদি মদু উরগা মহৈ মহৈ পেম্মে। অসুম্না পুক্লিং ব্রাখলদা একতা লৈবসি খ্বাইমক্কগী চাওরব অমসুং মমশ যাম্নব একতানি। মসিনা খ্বাইমক্কগী মরা ইচেৎ চেৎপনি। মপাল্তোংদা ফনা মান্নদ্রবসু হাযবদি ফিজেৎ-চাকচা, কুচু, লোল মযামসিদা খেন্নবা খর খর ইরৈ লৈববসু ব্রাখল অমদি পুক্লিংগী খোঙচং গসিদবু মান্নরদি পরেং লেংনব লৈশবশিংনা ফনা মচু মচু ওইদুনসু, ফনা অপক অচৌ নাইদুনসু মহামদু লেংননব লংলাদুনা অমত্তা ওইনা পাঙ্গল কন্না পুম্নিব মখৈ লৈ পবেংনা তৎকদবা খক লৈতে। মরম অসিদগী ঐখোযনা হাযনীংই মদুদি--ভারততা লৈরিব মখল মথেল যাম্নব মীযামসিগী লিচিং অমগুদা লৈনব একতা ওইনা পুকচেল খোযজেল চিন্নবা লৈমিন্ননবগী অমত্তা ভাইরব যুমফমদি ভারতকী দর্শন, সংস্কৃতি অমদি সাহিত্যনি। লম অসিগী মীযামসিনা মপুং অমত্তা ওইম্না সংস্কৃত লোলদা মযামসি ভল্লিবৈদগী নৈনরকই অদুগা হৌজিকসু ফনা লোল মচাশিংদা ইনদুনসু ভারতকী দর্শন অমত্তনি, সংস্কৃতি অমত্তনি সাহিত্যসু অমত্তনি। মতাং অসিদা ঐখোযনা সাহিত্যগী অর্থ অসুম্না হন্নীংই--সহিতস্য ভাবঃ সাহিত্যম্ হাযবদি ফিজেৎ-চাকচা মান্নদব, চিঙ্গু ক মান্নদবা কুচু মান্নদব মযাম অসিবু লোযননা ইপুন পুন্না চিংচিং অমগুদা পুরকপগী ভাব অদুবু সাহিত্য কৌরবনি নত্রগা অনকংদা লৈনা অথাপ্পদা লৈবা

পুম্নমক ইতিন তিন্নবা (নকশিন্নবা) যাবগী মতৌদু সাহিত্যনি। সাহিত্যগী অর্থসি রামায়ণ মহাভারতনা লু চংদুনা মপী মপা শরুদুনা য়োকখৎলিব ভারতকী সাহিত্য জগতদা য়াম্নমক চুম্নে, যাম্নমক চানরে।

রামায়ণনা শীংথারিব রাম-সীতা লক্ষ্মণ, সুগ্রীব, হনুমান, ভরত অসিনচিংব যাম্না মপুং ফারব ফজরবশিংগী পিদম্নফমনা শুইরব চরিত্রশিংসিবু ফিদম্ননীংলোইদব কয়ম মীশক লৈগদগে? মহাভারততা পুথোরক্লিব যুধিষ্ঠির, অর্জুন, কর্ণ, দ্রোপদী, গান্ধারী, ভীষ্ম আসনচিংব পাত্রশিংগী চরিত্রশিংসু লৈনরগা লোইরক্লাদবুনা লংথোক্রমগদবা মীওই কনামত্তা লৈরোই। মতৌ অসিনা কয়া চাংনদুনা ফিদম শোযদনা লৌনরগদবনো।

রামায়ণ, মহাভারততা য়াওদনা নীতিনিয়ম, রাজনীতি, সমাজ নীতি অমসুং যুম্নাকনগী নীতিলৈ লেপনদা কুপশিন্না ইরমদবা লৈতে। শত্রু ... কানা অনাসিদা য়ানদ্রবাদা পৃথিবীগী করিগুম্ন লান্নিরক থাদা অমুক যাংয়ম্নরোই অদুনা মীওইব জাতিগী হেক হেনকদ্রব থৌনা লোনচং খাইখিদি নাযাওরবা মরম্না অনিসিদা য়াওরম্ব অদুতনা মীওইবনা ওসি ফাওবা অমসুং আতুং ফাওবদা শীজিন্নরি, শী জন্নরকখিগনি।

অসুক মপুং ফারব লাইরিকশিংসিতনা ... হরিবনা অমসুং লম অসিগী দর্শনসু অমত্তা ওই না ভারতকী এককাদি মশানা লেংদনা লৈজবনি। খেন্নরিবা মান্নদনা উারনসিদ মপাগ্নেংগী ওইব রাফম থরতদনি।

যজ্ঞ রহস্য

যজ্ঞ হায়রগা মৈদা হোম তৌড়না লোৎ কৎপবু হেক্তা নাংশিংই। মৈতৈগী যাম্না ওল্লা হায়বদি মানা মফম অসিদা মিতপ লোকনদগী তৌবা কৌহিক শাওবা মৈ শীজিন্নরি। অন্দোগী মৈখম, কলাপ্পনবা যুম অং, লাম্দ্রুনা মতেং লঙ্গারবদি মুমতুদা ইতাল তান্না মৈ মশিন্দনা মারু ইকাই খুম্বা, যুমথোং থুদিং ফুঙ্গা নাইদুনা মৈবু হল্লাংপ, ফুঙ্গাবু লাইশুম লাউগা খুভমগুম হাম্না কিনা খন্নবা, শিরগ হকচাং লোননাংসি মৈদা মংথোকপা চুম্নদা নকুনা মৈবু পূজা তৌনা লোসিনবা মসিনসিংসিনা মৈত্রবাক্তা যাম্না ওল্লি-ভেদগী তৌবা মৈবু ইড়াং কুড়া হোমকই হায়বগী মযেক লারবা খুদমান।

মৈত্রাবাক্তা হিন্দু সংস্কৃতিনা চংশিল্লক্রবা তুংদা যজ্ঞ হায়বসি তাবা ফংনবান। মসিগী চপ চাবা লোন্থোক (মৌলিক উচ্চারণ) ঋতু শেংনা থোক্তুনা মৈগী মক্তা হংনা চংনা হায়না হন্নবিরবসিনি। মসিগী মথেক লারবা প্রনাংদু মতেং অমা শক্কী শরুংদা য অমসুং জ্ঞ অনিসি যাওদে, কাম্রগুম্না তৌহিক মালাসিনা মওংগী মযেক উবা

ফংলবদি মতু নৌনা হাপচিনবনি হায়নরি। অদুনা হৌজিক যজ্ঞ হায়রগ খঙনারবা থবকশিংসাদ লম অসিদা যাম্না কুইনগী মমাংদগী উনরক্লি ; মখোযতুগী মমিংদি তোঙান তোঙাম্না লৈরম্মি—থৌ তৌবা, ইডাংবা মৈহোৌবা অমসুং পোৎলোযব অসিনচিংবা।

মৈনবাক্তা যজ্ঞ (জৈগ্য নক্ত্রগা ক্রগা) হায়রগা অহানবমক্তা যাম্না কেক চুশিল্লা খঙনরিবদি মী শিরগা পোৎলোযববুনি। মসিগা বৈদিক যুগ্গী তৌনা হৌজিক ফাওনদা হিন্দুশিংনা যজ্ঞদা থম্লিবা বিশ্বাস অমদি শেংলবা ৱাখল অদুগা করিস্ত কাযংরে। মীওইবগী হকচাং পোলাংসি কনাগুম্বনা মাগী কান্নদ্রনা মতৌতু ফনা ভম্না খঙতুনম থুনা হোম তৌথোক্তুনা কৎথোকপা কনাস্ত ভুমদে অদুবু—

ব্রহ্মার্পণং ব্রহ্মহবির্ব্রহ্মাগ্নৌ ব্রহ্মণাহুতম্।

ব্রহ্মৈব তেন গন্তব্যং ব্রহ্ম কর্ম সমাধিনা ॥

অর্থ (যজ্ঞ হৌরিবা মী, যজ্ঞ তৌবদা চংলিবা হকনচিংবা পোৎশিং যজ্ঞগী কম্মাশিং অমসুং হোম তৌনব মানচিংবা মচাকশিং অসি পুম্নমকসি ব্রহ্মনকী মশক্তি হায়না নীংদুনা অদুগা পুম্নমক্তা শীনবা থুংনা লেরবা ব্রহ্মতু ফংনবগী হায়না যজ্ঞ তোরবদি হরম পুম্নমক্তা মাওনি হায়না নীংশিংবা ব্রহ্মতু হাযারনা পাক্নে অসিনা অদুম ফংবা ভমগনি) গীতানা তাক্লিবা অদশা অসি শিরগ মৈ থাবা জাতিশিংগী অরোইবা যজ্ঞ অসিনা পুমম্নপ সুম্ন ফংহনবা ভম্মি হায়বদা হায়মনবা গোক্রোহ। অগ্নি সংস্কারন—পোৎলম মঙাতবু চুম্না পুন্সিজরম্বা শকতম আসবু উৎ ওলহনখরনা তুংদা আত্মা হাথবসিদি ককথৎপা, চকথেকপ, চোংহনবা অমসুং কংহনবা স্তকপম ভমদ্রবনি। মহাক্তি

নিত্যনি, মক্ষম'পূম্বদা শীনবা থুংলিবনি, লোইরবনি, মশক হোংবা লৈত্রবনি অদুগা যান্নস্ত কুইরবনি।

হার্যারিবা আত্মাসিগী তুংগী ফিবেপক লৈবগী কন্স কযামক্কম তৌরি; চুম্না "ভস্মীভূতস্ত দেহস্ত পুনরাগমং কুতঃ ?" হায়বা নাস্তিক সিদ্ধান্তদুগুম্না হচম চম্না তকচাং পোলাং মৈ থাবা নত্তে। মরম অসিনা মৈনবাক অসিদ হন্দ্রাশিংনা শাশিন্নরম্নিবা যজ্ঞগী আদর্শ অসি করিগুম্বা রাখল অমনা বৈদিক যুগতগী চৎনরক্লিব আদর্শ অসোমদা যাম্না নকশিল্লি।

অসিদগী হেন্দোকুনা হিন্দুগী ষুহ।। সংস্কার কর্ম্মশিংলোমদা নক্লা লৈশিল্লকপদা নাত্তুৎ নারেং লগুন গাংবনচিংবদা শীজিন্নরকপা মতুং ইন্না "যজ্ঞ" শব্দসি যান্না লেগ্গন শন্দোক্লা তাবা তৌখ।

জৈন বৌদ্ধ শংগী অহিংস, ঈশাঈশিংগী দয়া, শৈবশিংগী ভক্তি ইস্লামী শংগী নমাজ অমসুং মণিপুরীশিংগীনা কীর্ত্তন অমাদ জগোইবু লুনা চান্না থমজনগুম্না বৈদিক কর্ম্মদা যজ্ঞবু থন্নে। বেদ ধর্ম্মগী আত্মাদ যজ্ঞনি। যজ্ঞনা যুমফম শৃঙ্খরগ হায়রব। ধর্ম্মসি শেমগৎ শাগৎপান।

অয়ং যজ্ঞো ভুবনস্থ নাভি (অথর্ব)

অর্থ - সংসারগী পোক্লকর্মদি যজ্ঞনি

যজ্ঞেন যজ্ঞময়জন্ত দেবা স্তানি ধর্ম্মা প্রথমান্যাসন্ (ঋগ্বেদ)

অর্থ—ধ্যান যজ্ঞনা লাইশিংনা যজ্ঞ পুরুষপু পূজা তৌই। ধর্ম্ম অমদি ধর্ম্মগী অনুষ্ঠান মযামগী মরক্তা যজ্ঞ ধর্ম্মনা ইহান হানবনি

যজ্ঞোবৈ শ্রেষ্ঠ [illegible] কর্ম্ম ([illegible] । [illegible] মাবু ঈশ্বরমক্তি হায়রি—প্রজাপতি [illegible] যজ্ঞঃ ।

যজ্ঞ শব্দগী বাচ [illegible] হায়বনি। মহাত্মাগান্ধী, লোকমান্য তিলক [illegible] ঋষিশিংনস্থু যজ্ঞগী অর্থসি মীয়ামগী [illegible] । [illegible] অথোয়বা ধর্ম্ম কর্ম্ম [illegible] যজ্ঞ [illegible] হায়না [illegible] ফাওবদা লৌনরি।

তৌজিব্বা [illegible] অসগী থোহদোক্লা পাক-থোকপা [illegible] বৈদিক যুগতগী [illegible] ফাওবদা মাগী তাৎপর্য্যনা দেবতা [illegible] কোংদোকই। মরম অসিমক্লা যজ্ঞগী মরু ওই [illegible] চংদি মৈোন। মুসলমাননা থা, ঈশাঈ-শিংনা ক্রোশপু মাগী [illegible] ধর্ম্মগী মরু ওইন পোৎচর্গনি হায়না শীংথানবগুম হিন্দু ধর্ম্মদা [illegible] । আর্য্যশিংনা মৈবু মঙান পীবিবা প্রকাশক, থোনা [illegible] অমম্তুং আত্মাগী মশক জ্যোতিঃ স্বরূপ-নি ; শীংথাই [illegible] থাজে মঙাল, থোনা অমস্তুং আত্মা স্বরূপ ফংনাংলিবা মীওইদা অতঃ প্রথম লৈতনা মৈ হৌগদবনি। তৌবস্থু আর্য্যশিংনা মসিমক তৌরম্মি।

আর্য্যশিংনা লুহোংবদা যজ্ঞগী শেংলবা মৈ মনাক্তা বাশক পন্দোল লোম্লদুনা লেংদ্রবা নৈপুন শেম্মরম্মি লুহোংবগী যজ্ঞগী অগ্নিদ্র যুমদা পুশিল্লক্তুনা (মৈড়ুমক পুমগী মৈ চাম্র ওইনদুনা) নিংথিনা তত্তনা মৈ হৌনৈ। হায়রিবা মৈ সিবু গাঙপত্যাগ্নি—যুম্বানবগী মৈ, নজ্রগা

লুহোংবদগী হৌড়ুনা হৌখিবা মৈনি হায়তুনা মাবু বিবাহ অগ্নি হায়নসু কৌনৈ। গার্হপত্যাগ্নি অসিদগী দক্ষিণাগ্নি (দক্ষিণা তৌনবা মিঠাঙ্গনচিংবা শানবা মৈ) আহবনীয় অগ্নি অতৈ যজ্ঞ তৌনবা মৈ অমসুং ক রগুস্বদস্থ মুংহৈদ্রবা গার্হপত্যাগ্নি অসিদগী মৃতদাহাগ্নি (শিরগা পোংলোয়নবা মৈ) সু :লৌনৈ। গার্হপত্যাগ্নিসিদগী দক্ষিণাগ্নি দক্ষিণাগ্নিদগী আবহনীয় অগ্নি মতৌ অসুম্না মৈথাং ওইনসু লৌনৈ। মরম অহুনা মখোয়সিবু মথংশিংনা পিতা পুত্র পৌত্র অসুম্না মরী লৈনৈ হায়না লৌনৈ। যাস্ক মুনিনা গার্হপত্যাগ্নিবু বনস্পতি অগ্নি দক্ষিণাগ্নিবু শমিতাগ্নি অমসুং আহবনীয়াগ্নিবুনা দেবাগ্নিসু কৌই হায়রম্মি। মখোয়সি শম্নপা মৈগী বিবরণনি। অসিদা নত্তনা অগ্নিগী বিধান অমদি মশক মমিং কয়াসু বেদদা নৈনম্মি।

(১) শ্রৌত অমসুং (২) গৃহ্য অসুম্না বৈদিক যজ্ঞগী মখল অনি সুই। অহানবগীসিনা অথোইবনি। অকোনবগীসিনা ময়ায় ওইবনি। অহানবগীসিনা শ্রৌত সূত্রদা অদুগা অনিসুবগীসিনা গৃহ্য সূত্রদা নৈনরি বেদনা তাকপা নিয়ম মতুং ইন্না নিংথিনা 'শিক্ষা দীক্ষাগুনা ফংলবা মীতনা শ্রৌত যজ্ঞসি তৌবা য়াই; মরমদি— মসিদি শুদ্ধ সাত্বিক যজ্ঞনি শ্রেয় মার্গদা নরুব পাম্বেনি। গৃহ্য যজ্ঞদি লুগুন থাংলবা মীনা হেক্তা তৌবা য়াই; মরমদি – মসিদি শুদ্ধ সাত্বিক যজ্ঞ নত্তে প্রেয়মর্গদা নরুব পাম্বেনি।

আন্দোলন

আন্দোলন। আন্দোলন !! হাঃ করানা করিগীদমক ? করি ফংননবা ৱাল্লিবনো ? লৈবাক্কী কান্ননবরা ? নত্রগা মী থরগী কান্ননবরা ? পাউ তাবদা করিগীদমক্তো খঙনীংবনা মী পুন্নমক লাংতক্লে, ঙকচানে। অওইবমক্তি মসি মীওই পুন্সিগী কায়নব যাত্রব মচাক্নি, হেনফত্রব তিরম্নি। বাখল খনগনব মীগী বাখল চিঙ্গাক্নি। অচুম্ব পন্থুংক্তম অনা য়োননবা তান্নবদা মথোনা 'পূর্ন শাক্ষনারব নিন থোংদুনা হৱা হৌবনা মহয় যানগনি থাজনিব মীশুংগী মাতং উংথোক্লফম্নি।

আন্দোলন এ হোসগী অথ দ— কুপ্ন নৈনবা, করিগুম্ব হিরম অমদা অচুন অরান থিনদুনা কুথা নৈনরগা মাগী চপ চাব পোলেপক্তম য়োবা, করিগুম্ব হিরম অমা নীথামদা খঙহনবা লম লমদা মচি মযা শুদংদা কোযচং চত্তুনা প্রচার তৌবা নিনথোকপা।

সাহিত্য সমালোচনাগী লমদা বাহৈগী অর্থ লৌশিন্নব পান্নে অনি শিংডনরি। (১) বিম্বগ্রহণ (২) অথগ্রহণ। বাহৈদু হেক হায়দোকপাদা লগ্ন ।। েন তাবদা নত্রগা হায়দোক্তুনা নিংথিনা খল্লবদা

পুক্নিং ৱাখলদা চপ চানৱব শকফম, শক্লাই চুনাইনা ফোং ঙাল-হনবা শং শং নীংশিংহন্বা পোৎ অদুগী হৌনশা ওইব গুণশিং মাংদা পুলপ লাকপা বিম্বগ্রহণ কৌই অদুগ মসিগী মতেং হায়ৱপ লৌৱগা অনিশুব মিৎকুপ্তা ৱাহৈদুগী অৎনা পুক্নিং ৱাখলগদা প্রভাব তাবা, চাননা শক্লাই-চুনাইবমক্তি নত্রগা মীওইবগী ৱাখলবু মচু শংলিব অর্থ মৱোউবুনা অথগ্রহণ কৌহ। খুদম ওইনা -

(১) "থম্বাল" ৱাহৈসি তাবমক্তা মতোন তুম্লপ তোবা ঙাঙ্ত্রানব (নত্রগা অঙৌবা) লৈ-না, ময়ায়দা থমচেৎ, মদুগী অকোয়বদা লৈৱিক্লা য়োমশিনব, নোপ্লন অশংব মখোক্লা ঙাম ঙাম পুৱিব লৈ অমগী শকফম নীংশিংলবদু "থম্বালগী বিম্বগ্রহণনি"।

(২) "থম্বাল" ৱাহৈসি তাবমক্তদা – পোৎশকপু হান্না নীংশিং-দবদি য়াদবনিসা থম্বালগী বিম্বগ্রহণদু অহানবদা হায়ৱপ নীংশিংলম্লগা অনিশুৱকপ মিৎকুপ্তদি—"থম্বাল মানব মাইখোং" ৱাসনা অনিদুদা লৈৱিব হায়ফম্ খঙনদ্রব অপেনব মুংঙাহব (আহ্লাদ) ৱাখল কাওৱক্লিবা, মঙোন্দগী ফংনৱিবা লৈহিনচিংবগী কান্নব, করম করম্ব জাতিনা লৈসবু মশাগী সংস্কৃতিগী পোৎচংন নাংবগে অমসুং করম্ব লৈ-চুনা করম্ব লমদা শাৎপগে অসিনচিংব থম্বালগী কান্নমিঙাই লমলোমদা কুপ্না খন্তনবু "থম্বালগী অর্থগ্রহণ"নি।

আন্দোলনগী মৱীদা কুপ্না খন্তনবগীদমক মথক্কী অসুম্না আন্দোলন বিম্বগ্রহণ, আন্দোলন অর্থগ্রহণ দৱকারনি। অহানব থাক্তা—মীয়াম্না নত্রগা মী অমনা কৱিগুম্ব আদর্শ অমা ফংননবা চে-না নত্রগা চিন্না অহানবদা লাওনরম্বা, মতাৱক্তুনদা মীয়াম্না পুম্না

লাও-খোংদুনা অপাম্বদু ইরগা মথুক্তা পাযদুনা নিম-খোংনা কোয়চৎ চৎপা অদুগা অনিশুব থাক্তনা — বিম্বগ্রহণগী ৱাসি অহানবদা তাযরপ নীংশিংলয়গা অনিশুরকপ মিৎকুপ্তদি— করি মনাং থুংদ্রদুনা আন্দোলন অসি হৌরক্লিবনো ? ফংনীংলিব তাম্নরিব আদর্শনা করিনো ? মসি খোক্লনব শীল্লিবনা কনানো ? মসিনা মতম য়ানবা তারবদি মীরামমী করি করি কাম্নরগনি ? (আন্দোলন অদুবু কনাগুম্বনা নমথরক্লবদি) করিগুম্ব আদর্শ অমা ফংননবা তাল্লিবদুগী মথৌনা মরোমশিং অমসুং মদুবু নমথারবদুগী মগী মরোমশিং অনিদু কৃপ্না চাংদম্নবনচিংব নাক কয়ামকমদা কৃপ্না খল্লববু মথংশিংনা আন্দোলনগী বিম্বগ্রহণ অমসুং অর্থগ্রহণ অন্নম্না খঙনগনি। যাম্না চাওরবা পাত্রদা পোৎ রাম্না হাপচনবা যাবগুম্না আন্দোলনগ অর্থগ্রহণগী মন্নুংদা মীওইব পুন্সিগী মখল মখা অযাম্ব লালশিংদগী হেন্দোক্লুনা অচৎ চত্তা জীব পুম্নমক্না মপুন্সি লেম্নব হেক থেংনরিব অপিক অচৌ লালফম পুম্নমক লোযনা চনশিনবা যাই।

লৈশেমভৈদগী হোনা জীব পুম্নমক মানা মানা পামজব লমথুংফম অমা য়োননব কম্না তাম্নরকঙ, অদুদা কারগুম্ব অপনব যাওরক্লবদি শক্তি অনি মুক্লরক্কই। মাসদা ওৈত অতেমগী মীওইবগী আন্দোলনবুনা ময়েকশেংনা উই। মহাক্তি মশাগী ধম্ম r, রাজনীতিগী, সমাজ অমসুং শেনগী ওইব পুন্সিগী মাইকৈশিংদা মানা মানা পামজরুব থাজরুব মতুং ইম্না আদর্শ অমমম পরীং চুন্দুনা উরোং খিন্দুনা অকক্লনা লেপ্তুনা থম্নরি। মীওইব মদু যৌন… করিগুম্ব খরদি ইহোত্তা হোৎনৈ, লেপ্না লৈতে, লেপ্নসু যাদে। অদুগা অমরোমদা অমুকম

হায়রিব আদর্শ অসিসু মতমগী মতু ইম্মা হোংই, মরম অসিমক্তনা মাবু ফংননব তাল্লিব পান্থিভুস্ম হোংবা তারকই।

যাওল নাইননা সংসারসিগী মশিঙ্গানি, মাগী মমুং চনব মচাক ওইবনা আন্দোলনগী মওংশু ইতত্তনা হোংবা তারিবনি। করিমত্তা অহোংবা লৈনব যাওল নাইত্রব পুন্সিদি শিবগা পাংথক্লি করিগুম্ব থরা হোৎনব ইরেপ লেপত্রিব পুন্সিদু হিংলিবনি, "অহিংবনি" হায়রনবগীদমক আন্দোলন তঙাইফদবনি।

ফিদম্নিভাই ওইরব লাইরিকশিংনা তাক্লি অবা-অুংভাই, পাপ পুণ্য লাইর-অনাকখুনব অচৌ-অপিক্লচিংব পোপাশিংসিমক্তনা সংস্কারসি যাওল নাইরবনি। পোপা পোপাগী রাথলশিংসিমক্লি সংসার হার্যরিবাস। মসি লৈনবদাদি সংসার লৈত্রে। পোপাশিংসিদগী আন্দোলন পোকলকত। মীওইব ইংলগা শানীংলকই। থুম্নব কোলা চারিডেদা মোরোক শারব শিংজু চানীংলকই। ওলাং থানা ঙমখে লৈতনা ওৎলবদা নিংথম থা নীংশিংলকই। চরাম্নব মীনা চাক পুক থম্না চানীংলকত। য়াম্না কুচু ভৌরব মীগী রা থম্নরকপদা অমুবগী রাস্থ মশানা অতুম পোকচরকই। কনামনা ঈচেল নাইত্র পুত্রীগী ঈশিংথক্লীংদে, অমনা অমুক অফ-কন্ত লোযনা পুথর্াক্লিব তুরেলগী ঈশিং থক্লীংদে, ঐহাক-মহাক, জীব-ব্রহ্ম অম্ভম্না অনি অনি পোপাসিমক্তনা আন্দোলন দরকার ওইরিবনি; মরম অসিমক্তনা মীওইব মশানা পামজনা নত্ত্রগা পামজদনা করিগুম্ব থরদ ইতত্তনা তৌরিবনি, থনক অচু অফব ওইরবস্থ ফত্তব ওইরবসু করিগুম্ব অমত্তা ইতৌ তৌদনা কনামত্তনা মকুপ অমত্তা ফাওবা লৈথোকপা যাওদে—

ন হি ক্বচিৎ ক্ষণমপি জাতু তিষ্ঠত্যকর্মকৃৎ ।

চানিং লৈতানা খন্থরবদি হেক্তা নির্শিংগনি – মীওইব, মিকুপ অমত্তা পোত্থাদুনা লেম্না লৈথোকপা ইয়া য়াদবনা মহাক চাওখৎ লম্বীরোমদা কাখৎলিবরা নত্রগা মাংখ লম্বীরোমদা কুমথারবরা অমদি ইতোদা তৌরিবনি—ঈযাযদ' তারব মুংজাওগুম্না লেংদনা লৈথোকপা খক যাদে ।

মশা মশাগী শিন্থা পাংথোক্লবা হেক পৌখিব'পূন্সা আন্দোলননি হায়না লীরবদা উনা লেংবা, লৈনা লৈনম শন্দোকপ অভাংব কপ্পা ছাত্রনা মহৈ তম্ব', লোমীনা লৌ উনা, মহৈ হৈরব মীনা মহৈ উৎ-থোকপা, নেতাশিংনা অরাল অচুম পাম্বে কয়া শীজিন্নদুনা মশাগী ওইজবা থিবা—লৈনাক্কী কান্নব তৌবা, ডাকুনা লূট তৌবা, সাধুনা মীযাম্বু অফব লম্বীদা লমজিংবিবা, যোগীনা মুক্তি ফংনব্বা হোৎনবা, লমচৎ নাইত্রব মীন' অরাল-লমচৎ চৎপা, মনানা মচাগী যাইফনবা হোৎনবা—মখোযাস আন্দোলন ভাক্তনি চিরম তিন্নদবতনি ।

পাউরৌ লৈ —অভাওবমকস্ন করিগুম্ব কান্নব অমগী মখা পোন্দনা করিগুম্ব অমত্তা খক তোদে । মুংশিৎ শিত্তনা উনা লেংদে । মফম চানা তাকুরবদি লিক্লা মরীক্লস্নু লৈরাংবু নিকহল্লি, মৈরিক্লা মৈজাও ও'ল্ল । মতৌ অস্নুম্না থবক পুন্নমক ওহরক্লব মরম অমা ইরৈ লৈ । মতৌ অস্নুম্ন মীওইবনা মশাগী অবাৎপ অশোনব মযামদু নমথেক্ক্নানা মীকোক থোংনীংই , মসিনক্লা আন্দোলনগী মরমনি ।

মীওইবনা অহানব থাক্তা চান-থক্লবা, ইরৈবাব ইজাতিগী ইকাই খুন্নব ভাক্লবা হোৎনবা মীভোন্দা মত্ন শন্দোকপা, সভ্যতা সংস্কৃতি

চাওখৎনবা হোৎনবা অদুগা থাক ৱাংলগনা ধর্ম্মগী, দর্শনগী, সাহিত্য-নচিংব অতৈ অতৈ কলাশিংগী ৱা খন্তৱকই। পুক থল্লব তুংদা অকব অৱাংব থাক্কী ফিৱমশিংদা ওনথৎলকই। মাংদা তা ৱন কান্দুনা চৎপা য়াত্রব ফিৱমশিংগী আন্দোলন হান্না পাখংখৎতুনা মপান খোপচিল্লগা অকব অৱাংব আদর্শগী ওইব ফিৱমশিংগী আন্দোলনদা পুন্সি কৎ-খোকনৈ। পুক থল্লগা চোকাশনথোকপদবাদ—মীওইবগী পুক্নিং ৱাখল ঈশিংগুম অনেম্বয়োমদা চেপ্তে অদুনা অৱাংব লম্বী কাখিনবা কন্না হোৎনগদবানি। নৱংদি নহাক্কী বান্নমত্তা চোদনা তুম্মিন্না লৈথোকপা ইযা ধাদে।

আন্দোলন, মীওইগী, সমাজগী নত্রগা লেবাক মীয়ামগী পুন্সিগী অকনব লালনি। লালচংবা অৱাঘব খংক নত্তে। মচাকন্দুনা লাংশিন্দুনা মীচং মাতক চানা লাংশিন্দুনা চংশন্দ্রবদি মহব য়ান্দে।

ইহান হানবদা—আন্দোলন অদু করি ফংননবগীদমক্তো ঘুম্না খণ্ডদোকদবনি, ফংনীংলিব মতমদুগীদমক মসি পাযথৎপদা মপা চানবরা চানদবরা? মুন্ন য়েংগদবনি। লুচিংগদোরিব নেতা নত্রগা নেতাশিংদু যাম্নাক পুনচেল লেংনা তথ. লংন ফিংনা ৱা তান্নবা তায়, হেক লৈরিব পুন্নমক হোদোক্লবা তাব। মখোয়তনা ঘায়েপ্লব য়োগদব পস্তুংক্ষম মযেক শেংনা পুথোকপা ঙম্লব্রবদা হিরম অদু কৈনরব মীগা হাযন শীংনদুনা—তাম্দুনা থবক চৎথন হৌনৈ।

আন্দোলনগী মরীদা অতৈ ৱা কযা হাযনত্তুনম্তু—“মীয়াম্না মীয়ামগীদমক” হায়বসি মপুংনি, মসি পুন্নমক্কী মযায়নি। মরম

অসিনা মীয়ামগী সহানুভূতি ফংনবগী থাকচব নৈতনা হেক ওন্থরখে হোৎনগদবনি। মকোক্তগী হৌনা মীয়ামদা পুকচেল তিংনা প্রচার তৌদুনা খঙহনগদবনি। মীগী খোল্লাও, পীনরকপ মতৌশিং তাদুনা নৈনগদবনি। আন্দোলন অদুদা চংগদব মচাকশিং ৱাত্তুনা তান-শিন্দুনা থন্নবগী মকপ শেমগদবনি। অফিস লিংগদবনি। মী শিংদুনা মশা মশানা পাযনরিব শিন্থা পাংথোক্ত্রবদি, আন্দোলনদু লেপ্পমক শোয়রে, নীংনগদবনি। মতুদা হেক যাওগদৌরিব মীশিংদু ট্রেন তৌগদবনি, ফিজোল মান্নগদবনি। মীওইশিংদু থবক নোম্না কল্লব, মপুক্লিং খোয়জংলবা, শিন্থা চপ চানা পাংথোক্লরবা মশাগী ওইজব থাদোক্লরবা অমসুং লীচৌং অমত্তদা খোহ্মান্ননা চংশিনমিন্নরবদা আন্দোলন মহয় য়াল্লি।

নীতি কায়দনা চংথবা যাম্নমক দরকারনি; অদোম্বব নীতি পান্থেনরবতদা আন্দোলন মহয যাল্ল। মসিগী ওম্ন তৈনবদা করিগুম্ব যেক্লব, খম্বনব, কল্লক-মহোব ৱাখলনা মপুং ওইদুনা পুকচেল শেপ্লবা, মীগী অধিকার ফাওনা মুম্নব তোৎনরবা, মীচং মশেন মত তিম্নরক্ত্রবা, য়ুমগী বিভাষণ যাওরক্লবা, আন্দোলনগীদমক চথরক্লিব থবক্শিংদা অনৌ অনৌব যাওলশিং (অক্লব হিরমশিং) লাকপবু নিংথিনা য়োৎশিনবা মতমদ্রবাদ আন্দোলন অদু থক মহয যাদে। হৌরকপদা, মযাযদা লোযরমদাইমক্তদসু মীচং কায়খিবা, নীতি হোংলকপা, পোৎচং পান্থেশিং ৱাৎশিল্লকলব্রা ৱানা হোৎনকরিবদু উত্তা যী হৈনিঙাই তাঙ্গা য়ান্দ্রা নৈ। মীয়ামগী কান্নিঙাই ওইদব

মীওই পুন্সি ঈচেলগা চান চুনদ্রব আন্দোলন মহয় য়ান্দবতা নত্তনা মদুগীদমক শিল্লাংলুম্বিব মীশিংদু মীনা তাথিনৈ, অথাব মিৎযেংনা যেংনৈ। বৈজ্ঞানিক অমসুং আধ্যাত্মিককী ওইব মিৎযেংদা নাতে প্রমাণ ইচা চাদ্রব খম্বরুবদা মীরমলেন-লাইরমলেন অনিমক্তা ইশোয শোযরব আন্দোলনদি শোম্বরবমক্কি।

মীওই পুন্সি সত্বরজ তমোগুণ অদুমনা তিল্লি। মানা তৌ-থোরক্লিব আন্দোলনসু চায়রিব গুণ অদুমসিনা তিল্লি। (১) সত্বগুণনা চেনব রজোগুণ মযায় ওইব চাংদা যাওব অদুগা তমোগুণ হাউক্লা মযাওব মীওইনা নভোন্দ লৈরিব গুণ অসিগা পাংথক ওইরব সাত্বিক আন্দোলন তৌই। লমচং ফজরব লুচিংবডুনা সংসারসিবু থারক্লে হৈবনি, থাদোক্লবা হৈবনি খল্লি, পৃথিবীসি স্বর্গ ওহোকই, নত্রগা স্বর্গমক পৃথিবীসদা পুথাবরকই। সত্যাগ্রহনা—চানব অচম্বডু ফংননা চেৎলে। মীবু লাউ ওইহল্লি, লাইগী মাংলন পুন্সিডু মীওইব পুন্সিদা পাম্শিন্নবসু তৌবি। তসিগুম্ব আন্দোলন অসি মী কাংলুপ খরতগী লৈকংলা খরতগী কান্নবদগী চেন্দোক্লনা মীওইব জাতিগী লৈবাক পুম্নমক্কী কান্নে। তসিগুম্ব আন্দোলনগী লুচিংবডুদা লৈরিব ত্যাগ, মখাংকনব, পুক্লিং থবচাং ফাওবনা হিংসা তৌরুদ্রব মতৌদি অঙকপনি।

(২) সত্বগুণনা মচেৎ ওইরব রজোগুণনা মপুং ওইরব অদুগা তমোগুণসু মশুং অমতম্বায় যাওরব মীওইনা মভোন্দা লৈরিব অপুনব গুণ অসিগা পাংথক ওইরব রাজসিক আন্দোলন তৌই। গুণ অসি চেনব নেতাদি চানব নেতানি, মানা চুম্মি খল্লিব হিরম অদুদা

মুপা থোক্লা ফুজিল্লি, তুকথব থওদে মরিল পাল্লি। মানা শীজিন্নগদব নীতিদু ইকোং ফোংনা মীয়'মদা শন্দোকই। মপাঙল মরোশিংনা পল পুন্নমক নমথেক্ক্ুনা মানা তান্নরিব আদর্শদু ফংননব কয়া হোৎনৈ। অপনব কয়া নমথেক্কবা হোৎনরকপদা নত্ত-ওইদব কয়া শীজিন্নবা তারবস্ন অদুম শীজিন্নৈ, দরকার লৈরবদি হিংসা ফাওবস্ন শীজিন্নৈ। মথোয়দি মীবু লাই ওইহনবা, পৃথিবীবু স্বর্গ ওইহনবা পামদে, থল্লুদে। হিংবা তারবদি মীওইনা চিংগনি লেম্না হিংগনি, তুংগী য়া থওদে, অসিনা মথোযগী লাইশোন্নি। অসিগুম্ব রাজসিক আন্দোলনসিদা নেতাদুগী ত্যাগ অমদি অথাংকনব অদুগা হোৎন-জমনগী করিগুম্ব মহয় য়াল্লবস্ন মদু মীয'মগী ওইগন্দে, তুংবোয়না লেংদনা লৈগন্দে। মরম অদুনা মসি অদুক হ'ক্লা য়াংলব পুন্ফ করব আন্দোলন মথল নত্তে।

অহুমশুবদা (৩) তমসিক গুণনা মপুং ওইব, রজোগুণনা মশুং অমতথায় অদুগা সত্ত্বগুণনা মচেৎ ওইনা য়াওদ'গুম যাওরব মীশক্লা তামসিক আন্দোলন তৌই। নেতা অসি শল্লা চায়রনদা ফত্রে। মপান্থোংদা অফ শারগা মন্থং য়রে। মীযাল্লা ফত্তে. ফত্রে চাংনব পুন্নমক মচেন্দা শুরে। মানা তান্নরক্লিব লমথুংক্ষমদুস্ন আদর্শগী করিগুম্ব মনম অমত্তা নমদ্রে। মীগী মাওননব মশাগীস্ন মাওন্নবতা শীল্লে। মাগা তিন্নরুব পুন্নমকস্ন লোয়না কুচাদ থ'দবিবা শোয়দ্রে। মানা পাল্লিবদু ফংননব হোৎনরকপদা চিংসা, ওইদব য়ানচিংবা অমম্ব পাম্বে ভাক্তা শীজিন্নরে। মথোয়না তৌরিব আন্দোলনদুদি চানব আন্দোলন নত্তে; য়ৈথায়-থুগায়বা, মাওহনবা মাগী অপাম্বা (মীয়ামগী

নত্তবা) অমা ফংননবগীদমক লম্বীদা থেংনরুব পুম্নমক লোয়না মাংহনবনি। মসিনা কন্নিগুম্ব মহয় খন্নদং ফংব তান্নবস্থ মঙোন্দগী ডম্ব অমনা মুল্লবগী মত্তম অদুক ঙাইবনি। মন্নম অসিনা অসিগুম্ব হিংসা শকফম্নব ভার্মাসক আন্দোলন খক তৌন্নোইদবনি।

হেক চৎনন্নিব আন্দোলন পুম্নমক্কী—(১) অহানব (২) ময়ায় (৩) অন্নে'য়ব—অস্তুম্না তাঙ্কক অক্তম অহুম খায়দোকপা য়ায়। অহানব তাঙ্কক—আন্দোলন তৌগদোন্নিব কাংবুনা কোয়ন্নাং লাংই; মী অমস্তং অতৈ মচাকশিং গোমজিল্লি। অযেংব ভাবোক্লা থাজনদে। নে'ক্লবস্থ যাওই। পুম্নমকতু ইত' তাদনা মপুনা কোয়চেন চেন্দুনা য়াম্না মথন্নাই য়াওই।

(২। মগায় তাঙ্কক্তনি, আন্দোলনগী মহয় য়ানগনি য়াল্লোই লেপ্পন্নিব। চংশিল্লুন্নগা হন্দোকপস্থ য়াদা পুন্নক্লীংব মওং অমা হেক পুন্নকপস্থ য়াদা য়াম্না লুন্নব মতাংনি। শেল, মীচং, থৌনা'পুম্ব ইশী শীজিন্নথোকখিবনা মমৈ শমথনব মচাক ন্নাৎলগত্রা হায়না লক্লিদা লৈনব ত'প্পান, ময়াযগী মতাংসি। শীল্লিব কাংবুনা চনিং তানা চেংকশিল্লব, নীত কায়দনা থবক চথন্নবতদা মহয় য়াল্লি, গণতন্ত্রবাদ নীয়াম্না নোকই।

(৩) অহুমশুব তাঙ্কক অসিস্থ লোয়শিল্লক্লে হায়না তকোম তকোম্বা য়াদ্রে। হোবদগী নমগন্নক্লিব যেক্লবন' ইন্নাঙ্গ লাঙ্গনা খুদোং-চাবা লৌখিতুনা থক-খা খংওন ওল্লকপা য়ান্নিব তাঙ্গানি। থক-খাতবু ওনখ্রবদি আন্দোলন হৌরুব কাংবু অা ন্নোনা লৈখা তানিং-ঙাইনি। খুত্তা পায়বা ইতাওগী, য়াদা ছুকপা ইচাগী, হেক ন্নোংখিনবা

ঐগীনি, শোযদ্রব ৱাফম্নি। হোৎনরুম্নিবদু চাননা মপান খোপচিঙ্গি মখৈ চ্যেকশিনগদবনি।

কনানা আন্দোলন তৌগনি? ৱাহংসিগী পাউথুম চুম্না ৱারে মথৈগীদি লাই তৌইগুম্বস্নুং ফজব্রব আদর্শ দু চপ চানব মীওই প' কংদে। অওইবমক্কি—মপুম ফাব্রব মীওইতন। অচোব অকুব থ' পাংথোক্কদবনি।

শিম্নবতদ স্বর্গ কায। কনামণ্ডনা গাড়ী, মনাই মশল, ফজ্র শঙ্গাঙ্গৈনচিংবগা লোযননা চংনা স্বর্গ কানা য়াদে। খোঙ চোং চিন চোংলি। হংবা কল্লগা খুনশক খঙ্ত। শাযনা কল্লগা ওইতনা খাংবা কল্লগা ফমেন ফংই। চম্না হেল্লবা মীদু মাবু থৌদানব ক ভাইদনা শেল তাল্লি। নাম্নিন মীনা হিদাক চাগদবনি, মম্নী মত চাবা য়াদে। ৱামবু অযোধ্যাগী যুবরাজ, নিংথৌ হাপ্তুনা নি কোন্দা মুংভাইনা চলরা-পুডী পীজদুনা মোন্দুম মোস্তেক্কা যাওক থম্নগা তিংচাব শাগৈ তুমহনবা শুক যারোই, জগৎাসদা চৈ পাঙ অকনব শক্কমগনি। শ্রীকৃষ্ণনা পাণ্ডবপু মুংভাইরন শঙ্গাঙ্গৈদা ভা হনবগী মহুত্তা বন বনদা য়ায়রেকচন্দুনা বনগী উচৈ অমস্নুং ৫ ঈশিংতনা অরাম-খোম্রাং কোক্কহল্লবদা কুরুক্ষেত্র লালঙ্গাও থেং ময়ামসি উরন-তারব তুংদা হৌজিক কুপ্না বিচার তৌগদবদি মী (ফনা লাই ওইরবস্নু) মশাগী থবক মশামক্লা হেক্তা পাংথোকনীং অচাল-অরায় নাইদ্রব তেংবানবগী মপুমক্কুস্নু মাগীদমক কাং তেংবাংবিদে। মথৌ পাংথোক্কবনি হাযদুনা মপাঙ্গলনা ভমজব ওইরবস্নু হোৎনজম্নিব মীদুগীদমক তেংবানব মপুমা লেপ্নমক তে

লোইরবা।

